


নাউয়োক্কোন্গী ৱারী

ও. কে. নিংথৌজা

নাউয়োক্কোন্গী ৱারী

(ৱারী মচা)





অইব
ও কে নিংথৌজা

NAOYOKKON-GEE WAAREE

A BOOK OF NINE MANIPURI SHORT STORIES

By: O.K. Ningthouja

Published by Ehilen Kha-Nganba (Okendro Khundongbam) on behalf of *Kangleipak Loinasillon Apunba Marup*, RIMS Road, Imphal

First Edition 2007 AD; 3404-Maliyakum

Copies : 1001

Total Page : 64

Size : 1/8 Demy


Value : Rs. 65/-

Cover Photo : Chingthou Keicha

Cover Design Ehilen Kha-Nganba(Okendro Khundongbam)

Available at : Writer, KLAM Office & All leading Book Stores

Printed at: Hei_Ya Computer, Meitram Awang



কৎচরি

নব্বা শাবেপ্ মপূং ফানব নাউযোকপদ,
অব্বা কোক্থোঙ্ নম্বো পোখিবী,
খম্নুং শব্বা তান্খ্রব অপোক্পী, অপোক্প,
কে(ও) যাইমবী (তোম্বী), কে ধবল্লো অনীগী মফম্দ
অহাম্ব শিন্দম্বদি, "নাউয়োক্কোন্গী ব্বাবী"
মিংথোম্বদি মথেল, ওইন কৎচবি।
মীমায়দ্রব পুন্সিগী ঙম্জব পন্দুপ্নি
পূক্লিং লামাযগী হৈজদব ঙাক্পীযু
মোংফমথক্সিদ থম্মোয্ শেংন চুখৎচব
নুংশিবব খদোল্সে লৎনদন লৌশিন্বিযু।।

অদোম্গী ঃ
ও. কে. নিংথৌজা
RIMS Quarter Type - II No 19

থৌবুরেল্গি মায়্কৈদগী

কংলৈ লোয়্নসিল্লোন্গী লৈকোল্দ মখল্ কয়াগী লৈবাং চাযা মক হল্লিব, লৈকোল্সিবু শেন্নবিবশিংগী মনূংদ ***কংলৈপাক্ লোয়্নসিল্লোন্ অপুম্ব মরুপ্ (কলম)*** সু অমনি। থোইদোক্ল নৌবিব অইব-অইবীশিংগী পূন্ফম্নি, রাতানফম্নি, ***'কলম'***। কংলৈলোন্ অমদি মযেক্পু ইনাক্খুল্হন্ব হায়্বসিন অচৌব পান্দম্ ওইজবগ কংলৈপাক্সিদ শাফোংল্কিবনি। ঙসিদি *'কলম'* ন মীয়াম্গী মতেং মীযাম্গী রাখল্লোন্ কযা লৌজদুন কংলৈ লোয়্নসিল্লোন্গীদমক্ চেন্জ-চোংজবক্প চহী ৫ (মঙা) হেল্লক্লে। তেল্লব চহী খব অসিদ লোয়্নসিল্লোন্বু অরাঙব থাক্ত পুখৎনব পান্দম্দ তোঙান্ তোঙান্ব থৌবম্ কযা পাঙ্থোক্চখ্রে। ''*অনৌব অইব মীবোল্শিং উনব থৌবম্ (অমীথৌ)*'' কংলৈ লোয়্নসিল্লোন্দ খোঙ্ থাংজিন্নীংব, থাংজিন্ফম্ খঙ্দন লৈবন্ব, থাংজিন্নীংবগী অচৌব রাখখল্লোন্ পীব ওন্ন *'কলম'*গী অথন্নব নৌবিব অইবশিংবু মীকপ্ থোক্হন্ব থৌবম্নি।

লোয়্নসিল্লোন্দ খোঙ্ থাংজিন্ব অবায়্ব থবক্ অমদি নত্তে। অইবদি মীওইবগী পুন্সিগী রাহল্লোক্ অমদি খুন্নাইসিদ থোকিলব থৌদোক্ রাথোক্শিংগী নুং পান্ অনীগী মবক্ত লেপ্তুন পুন্সি অমদি খুন্নাই অনিবু অচুম্ব লম্বীদ পুনব হোৎনব, তশেংনা মীংযেঙ্ শান্ন যেংব ওন্নব হোৎনবনি। অদুন লোয়্নসিল্লোন্বু নুংশিবীবিবশিংগী রাখল্ অমদি থম্মোয়্দি পুন্সিগী অমদি খুন্নাইগী চেন্হবিব ঈচেল্দ লূপ্তুন লৈ। অদূন অইব ''***ও.কে নিংথৌজা***'' সু মাগী লেম্হৌবিব পুন্সি খব'সিদি লোয়্নসিল্লোন্গীদমক্ কথোক্লগে খন্দুন ইবব্ই রাবীমচাগী লাইবিক্ ''***নাউয়োক্লোন্গী রারী***''। রাবীমচা ৯ (মাপন্) যাওব লাইবিক অসিগী অইব ***'কলম'*** নৌবিব লূপ্লোয্ অমনি। অহান্ব খুৎইনি। রাবীমচা অয়াম্বদ শীংজিন্নাবব লোন্দা-পুদা থোইদোক্ল ***'কলম'***গী চৎনা কাঙ্লোন্ মতূংইন্ন মীযাম্ন যানবব কংলৈলোল্দ ওন্থোক্লব হোৎনজে। এখোয়্গী লোল্দ হন্দোক্প ঙম্দবশিংদি অদুমক কায়্দন থমজবি।

অইব ও কে নিংথৌজাগী ''***নাউয়োক্লোন্গী রারী***'' লাইবিক্ অসিন ***'কলম'***গী ২৩ শুব লাইর্মিক্লি। লাইবিক্ অসগী অফ- ফ-ৎগী মবায়্বাক্ত কংলৈ মীযাম্ অমদি লাসবিক্সিবু পাবিব, থেংনবিব অমদি নৈনবোয্ (ক্রিতিক্) শিংগী মফম্দ শিন্নজরে।

অবোয়্বদ লাইবিক্ অসিবু ফোঙ্নব হোৎনবদ অচৌব থৌদাং লৌবীখিব ***'হে-য়া কম্প্যুটর্'*** গী প্রোপাইটব্ ***'চীংথৌ কৈচা'*** অমদি অতৈ প্রেস্কী ইচীল্-ইনাও পূম্নমক্ ***'কলম'***গী মায়্কৈদগী থাগৎপ ফোঙ্দোক্চাব।

নাওরেম্ রাকেশ্ (কোকিল)

থৌবুরেল্

কংলৈপাক্ লোয়্নসিল্লোন্ অপুম্ব মরুপ (কলম) ইম্ফাল

অইবগী ৱারোল্ খর

ইবদি ইখি মখল্ মথেল্ কয়া। লোন্সিন্দুন মথঙ্ মথঙ্ লৈখি কান্নদ্রব পোৎশক্ অমগুম্। কনানসু খঙবিদে, ঐ ইশানসু খল্লুদে ইরিবশিং অদুগী কান্নব। অদুবু লেপ্লদি লৈখিদে ঙাইহাক্ ঙাইহাক্কী ওইন। ইরিবশিগী মরুওইব মরম্দি এক্সিদেন্ট নংখ্রব য়েৎথংব খূৎন মথৌ লেপ্থিবদগী মহুৎ শিন্ন ঙম্নব খুৎ ওইন। ইরিব খূদিংমক্পুদি মাঙ্হন্খিদে, হাপ্চিন্খি ঐগী মল্লব উপুশিংদ। নোংমথক্ ফার্মাসি য়াওব নূপামচা অমখক্, মহাক্ চেফোঙ্, লাইহরিক্ মরক্ মরক্ত পীরক্ই। ঐন নূংশিন তৌই মহাক্পু, মহাক্ ঐবু নুংশিব মীশক্নি। মাগী চেফোঙ্ অমদ মশাগী শৈরেং য়াওরক্পদু ঐঙোন্দ উহল্লক্খি। ঐন ঐগীসু অম অনিদং হাপ্লিব য়াগদ্রা হংলুবদ য়ানি হায়দুন পুখি অদুবু থাজদে মরম্দি মমাঙদসু নূপী অমখক্ত মাঙ্হন্খিব থেংনখ্রে। পাউ-চেদ হাপ্লক্তুন ঐঙোন্দ উহল্লক্ই। হাপ্লক্পদগী ঐগী থম্মোয় নৌহৌনন যেন্নিং হুন্ন হৌরক্খি। মথঙ্ মথঙ্ হাপ্লক্ই থাগী চেফোঙ্দ, নুংতিগী পাউ-চেদ। মহাক্ ঐগীদি ঈচাগী চহীনি, নহা ওইরি অদূবু থবক্তি ঐঙোন্দগী চাম্মরোম্ হেল্লি। মহাক্ অদূ কনাসু নত্তে, ওকেন্দ্রো খূন্দোংবম্নি। মিংসু ঐগ চপ্ মান্নরম্মী। মহাক্ক থেংনরুবদগী ঐগী পুন্সি অনৌব লম্বী অমদ চঙনীংলুবনি অদূবু লোয়্নসিল্লোন্ (সাহিত্য) হায়্বসি করিনো খঙদে। অদূবু চঙবদি চঙনীংলি অইবগী তাইবঙ্দ। থৌনা পূম্নমক্ মাঙ্লব, খোঙ্সু খূৎসু য়াদ্রব ঐবু ঐসু মী ওইরুবন খুন্নাইসিগী থবক্ খরদি তৌনিংই। মীয়াম্ন ঐগী চঙ্জফম্ পীবিয়ু থৌনা হাপ্লিয়ু। তৌজরিব খরসিদ মীয়াম্ন অরান্ অহুই নৈনবীরক্তুন মীয়াম্ মরক্ত তিল্হন্বিয়ূ হায়্বসিনি মীয়াম্দ ঐন থম্জরিব।

ঐগী মতীক্ চাদ্রব ৱাখল্গী চোইরোল্শিং অসিন শীজিন্নব য়াররুবদি মসিগী মহে ওইন কলম্গী থৌ পুরিবশিং ওজা সনাহোংব মঙাঙ্ অমদি রাকেশ্ নাউরেম্ন অহীং নুংথিল্ অৱা অনা থিদন চেন্বীবগীঅমদি ইনাও ওকেন্দ্রোদ পীজনিংই। পূম্নমক্কী তৌবিমল্ পুন্সিগী কাউজরোই।

ও. কে নিংথৌজা
(কাংঙবম্ ওকেন্দ্রো)

য়াওফম্ তাক্পা

ৱারীমচা	*য়াওফম্ লমায়*
হল্লক্খিদ্রব থৱায়	১
ইবাক্মিন্নব	৫
চৈনা অমদ	৯
শওম্ ওক্লব	১৪
ৱায়েন্ ঙাইব	২২
নাউয়োক্কোন্গী ৱারী	৩২
কনাগী মরাল্নো	৪৫
হঙ্গিরা হল্লোইসিরা	৫৩
মৃৎনাইদ্রব মৈরি	৫৯

হল্লক্‌খিদ্রব থবায়

নোংম রাজেন্‌ লুহোংব অমগীদমক্ত স্কুতর্‌ তোংদুন চৎলম্মী দি এস্‌ পিগী থোঙ্গাম্দুদ নহা অহুম্‌ন থোঙাক্‌প নুপা অদুদ হংই, ''দি এস.পি লৈবরা?'' থোঙাক্‌পন খুম্লক্‌ই, ''চৎথোক্‌খ্রে'', নুপা অহুম্‌দুগী মনুংদ নুপা অমদি য়াইমগী মশক্ক মান্নে। রাজেন্‌ ঙাইহাক্‌ স্কুতর্‌ খাম্লগ য়েংই। অদুবু য়াইমনি হাযব তাংদাংব খঙদবন মচাবু কৌবদি ঙমজদে। নুপা অহুম্‌দু মফম্‌দু থাদোক্লগ চৎখ্রে। রাজেন্‌সু স্কুতর্‌ অদু অমুক্‌ স্টার্ট ঙংদুন থৌখি।

রাজেন্ন লুহোংব চৎলুরগ ময়ুম্‌দ হল্লক্লগ মচা য়াইমগীদমক্ত

খন্বদ ৱাখল্ লম্মুক্লরম্মী। য়াইমন অঙাং ওইরিঙৈগী মঙাও থীব সক্তম্দু রাজেন্গী মীৎমাঙ্দ শং-শং উরক্খি।

মচা মঙা পোক্পগী মনুংদ যাইমন খর হেন্ন ঙাওশিন্নরম্মী। লৈকায়গী মমান্নবশিংগ খৎনবদ মপা ওইরিব রাজেন্ মীৱা য়াম্ন তাখি। মমান হৌদোরক্দগী য়াইম স্কুল্গী বোর্ডিংদ থম্খি। নোংম অমুক্ স্কুলগী বস্ মথক্ত কাখৎলুবদ তারক্পদগী মখূৎ তেক্খি। মপাসু পাউ তাবদগী য়াইমবু লায়েংনবগীদমক্ত লাক্খি। মঙাও থীব মচাবু হুন্দোক্পদি য়াদবনিনা লায়েংনব হোৎখি। নুমীৎ খরনি লৈরগ ওজাগী নুমীৎ পাঙথোক্খি। মদুদ যাইমন ''ৱান্ এক্ট প্লে'' তৌই। য়াইমন খূৎলায় পায়ব নহা অম সাবগ সেল্ পীয়ু যাদবদগী দোক্তর অমগী মখোঙদ নোংমৈন কাপ্পগী মওং উৎলি। মহাক্কী এক্তিংদু ফজমন্বদগী যাইমন মনা ফংখি।

চহি খবগী তুংদা য়াইম মেত্রিক্ পাস্ তৌবে। অদুবু সেল্ লৈতবদগী মমান্নবসিং খর হৌনরগ লৌ পরি মঙামুক্ সম্বল্ খজিল্লগ খামেন্ অসিন্ব থারম্মী। অতৈ মনামসিং মোরোক্, খামেন্ অসাংবী পাল্নচিংব থাবদ সেল্ যাম্ন ফংই। সেল্ য়াম্ন ফংবদুদ থবক্ সূব যাওহৌদব কাঙবুন ইঙখোল্ কোযবদু যরোই হাযদুন থিংখি। ওইরোইদব থবক্লি হাযদুন মরৈ য়েৎনবদগী খৎন চৈনব যাওবদগী পুলিস্ন য়াইমগী কাঙ্বু ফাদুন অঙম্ অথৌশিংদ শেল্ পিজরগ জেল্দ থম্খি। বাজেন্ন লুচিংলগ য়াইমগী কাঙ্বু জেল্দগী থদোক্খি।

য়াইম যুম্দ লেংদন লৈরে। মমান্নবসিংন কোলেজ্ কাব উরগ য়াইমসু লাইরিক্ তম্লিংখি। অদুবু রাজেন্ন মচা মযাম্গী হোৎনবদ য়াইমবু মীংচন্ব ফাওব ঙম্খিদে। য়াইমদু নোংম যুম্দগী

তুমীন্ন থোক্‌খিবদগী অদুম্‌ হন্‌জিল্লক্‌খিদ্রে। লৈকায়গী মীন হংনরক্‌ই, ''য়াইমদি লৈব উদে।'' মমান ইকায়বদগী কছার্‌দ হোতেল্‌ ফম্ব য়াওরি হায়ন খুম্মী।

নুমিৎ খরনিগী মতুংদ নহা অনি লাক্কুন হায়রম্মী, ''পাবুং হয়েংগী নুমিত্ত চীংদ কারক্তব য়াদে।'' মথংগী নুমিৎত রাজেন্‌গ ইবেম্‌হল্‌গ চীংদ কারক্‌খি। লাল্‌হৌলূপ্‌ অদুগী লুচিংব নুপা অদুন হায়রক্‌ই, ''পাবুং নচানুপা য়াইমন থবক্‌ অম চৎপদ নোংমৈ অচৌব অম মাঙহন্‌খ্রে। মরম্‌ অসিন পাবুংন ঐখোয়দ লুপা লাখ্‌ অমগ লিসিং কুন্‌ পীগদবনি।''

রাজেন্‌ নুপা অদুগী ৰাহৈদু তারগ স্বাই লাউই। নুপাদুন অমুক্‌ মথা তারক্‌খি, ''পাবূংন করিগুম্ব সেল্‌ পীব ঙম্‌দ্রবদি য়াইমসে সিবগী চৈরাক্‌ পীরগনি।'' নোংমৈ মাঙখিবগী মরম্‌ তাক্‌উ য়াদবদগী নোংমৈদু রাজেন্ন সিংব তারে। থা অহুম্‌গী মনুংদ নোংমৈ মাঙখিবগী সেল্‌দু সিংবদ তারে। অদুবু উজনিংব মচা য়াইমগী মসক্তি উব ফংলক্‌খিদ্রে।

রাজেন্‌ সেল্‌ লৈতবদগী মাগী থবক্তু তোক্লগ পেন্সন্‌ ওইন তান্নরে। থা অনি তান্নরব মতুংদ পেন্সন্‌গী সেল্‌ পুরগ রাজেন্ন চীংদ কাদুন মচানুপা য়াইমগী থৰায়্‌গ সেল্‌গ ওন্নরুরে।

য়াইমন য়ূম্‌দ লৈরক্‌প নুমীৎ মঙানি সুরে। নুমিদাং ওইরক্‌পদুদ ফিজম্‌ সেৎপ নুপা খর লাক্লগ থোঙ্‌ থীল্লক্‌খি। ইবেম্‌হল্‌সু ইপা পাখত্তুন থোঙ্‌দু হেক্‌ হাংদোক্‌পগ নুপাসিংদুন য়াইমগী কাদ চংখ্রগ য়াইমবু সগন্‌ পায়রগ মপান্‌লোম্‌দ চিংথোক্‌খি। ইবেম্‌হল্‌ন ইপা পাখত্তুন, ''ময়াম্ন তৌবীরিসিবু করিনো? ইচাগী করম্ব মরাল্‌গীদমক্ত ফাবিরিবনো?''

মমায় মমিৎ খুম্ব নুপা অমন হায়্রক্‌ই, ''ফাবগী মরম্ লৈ। মরম্ কোম্ন তাক্লক্লনি।'' য়াইমবু মমায় মমীৎ খুম্‌জিন্বীরগ পুথোক্‌পীখ্রে। অহীং চুপ্প মমা মপা অনিমক্ মচা য়াইমগী ৱাথল্‌ন তুম্ব পাক্ য়াদে।মথংগী নোংঙাম্বদসু য়াইমবু থিরুবদসু থিফম্ খঙ্‌খিদ্রে। কনা অমত্তনসু মহাক্ ফাবগী মরম্ হায়রক্‌খিদ্রে। লংলা লঙ্‌জিন্ খঙ্‌দন য়াইম হিংলি নৎত্রগ সিখ্রে হায়বগী পাউদি অদুমক্ তাখিদ্রে।

ইরাক্মিন্নব

এ এস্ আই সুরেস্ অচুম্ব চৎপ পুলিস্ অমনি। মহাক্ন পাঙ্থোক্লিব মথৌদি য়ু ফাব অমদি লম্চৎ নাইদবশিংবু ফারগ ৱারক্ ৱাতেম্বনচিংবনি। পাউ অম ফংবদগী এ এস্ আই সুরেস্ন হোতেল্ গ্রিন্ হাউস্ত চঙ্খিবদ মৌ নহা অমগ নুপা অমগ নাতৈ চাদব ফিভম্ অমদ লৈরম্ব থেংনরে। মখোয় অনিবু ফারগ পুলিস্ স্টেসন্দ পুখৎলক্খি। সুরেস্ন নুপী অদুদ ৱা হংব হৌরক্ই-

''নুপী নঙ্দি নমীং করি কৌই?''

''বিনা কৌই।''

''নয়ুম্ পাল্লব নৎত্রা?''

''হোয় ইচা অহম্ লৈরে। অদুবু ঐগী ইপুরোইবদু ঙন্ন সিখি। কৈথেল্দ মনা মসিং য়োল্লগ ইচাসিংবু থাক্পসিন ঐগী অপেন্ব ওইদে।ঐগী সাদোংসে য়োল্লগ ইচাসিংবু মী ওইননব সেম্গে খন্খি।''সুরেস্ন কন্ন লাউখৎলগ হায়রক্ই, ''ৱাদন সেল্ ফংবদুনি নঙ্গন পাল্লিবসে। নুপীন লমচৎ কাল্লবদি লায়না লায়থুং পক্ই হায়বসিদি নঙ্ খঙ্দ্রা? নঙ্গন নাদুন লৈরবদি নচাসিংদু কনান থাক্পীগনি?''

বিনা সুরেস্কী পাউখুম্ পীব ঙম্দন তূমীন্ন লৈখি। সুরেস্ন নুপাদুদ অমুক ওন্সিন্দুন হংই -

''নুপা নঙ্দি নমীং করি কৌই।''

''তোম্পোক্ কৌই।''

''নয়ুম্ পাল্লবরা?''

''ঐদি পাখঙ্ ওইজরি।''

সুরেস্ন সাউরপ্ন হায়রক্ই, ''পাখঙ্ নঙ্গন লৈসাবী কোযগেদি হাযদ্রগ মচা লৈরবী মৌ অসিগ লোযনরিব করিগিনো?''

''মহাক্ন লৈসাবী সারগ লৈরম্বদুদ...।''

''মতৌ করম্ন বিনাগ থেংনরুই?''

''ঐ অহান্বদ লাইরিক্ তম্জরম্বনি। নোংম ঈমাদগী লুপা লিসিং অম লৌরগ ফুরিৎ খোঙ্গ্রাও লৈব চৎলম্মী। অফব ফিদি লৈদবীদ হন্থব ফি অম লৈরগ গ্রিন্ হাউস্ হোটেল্দ চঙখি। মেনেজর্ নুপীদুন হংলক্খি,''লৈসাবী পাম্বরা মৌ পাম্বরা?'' ঐন খুম্খি,''লৈসাবী পাম্মী।'' মেনেজর্ন লৈসাবীগী সেল্ লৌহৌরগ ঐ কাদুদ চঙসিন্খিবদ বিনান লৈসাবী অমগী মওং অমদ ইরাং তৌরক্পদগী ঐহাক্ পঙ্থখিবনি।''সুরেস্ন করেম্নন নোল্লক্ই,''অদুদি তোম্পোক্ নঙ্ বিনাবু লৌদব য়ারোই। বিনাবু পুরগ

য়ুম্দ হন্খিগদবনি।''

''অদুদ সার্। ঐহাক্ ঐচ আই ভী পোজিটিব্ ওইরে।''

''অদুদি বিনাসু পোজিতিব্ ওইরম্গদ্রা?''

''ওইরম্ব য়াই।''

''অদু ওইরবসু লৌদব য়ারোই। নখোয় অনি মরী লৈনরে হায়বসি মীপুম্ খুদীংমক্ক খঙ্নরবনি।'' তোম্পোক্ পাক্ খুম্দে। ব্রাখল্দদি মওল্ মওল্ খল্লি, ''মচা লৈরবী বিনাবু ঈপা ঈমাগী মমাঙ্দ করম্ন পুসিল্লুনি।''

সুরেস্ন বিনাদ অমুক্ ওনসিল্লগ হংই, ''তোম্পোক্কদি নঙ্বু য়ুম্দ পুসিন্ব ঙম্গনি হায়রি? নঙ্দি করি খল্লি?''

বিনা পাউখুম্ পীবদ য়াম্ন লুরক্খি। পাক্ খুম্ব ঙম্দন মমায়দু লুক্থদুন লৈখি।

সুরেস্ন মখা অমুক্ তাসিল্লক্ই, ''হায়য়ূ বিনা নঙ্ তোম্পোক্কী মতুং ইন্ব ঙম্লোইদ্রা? ''

''ঐগী ঈচা অনীদুন কম্দৌব?''

''নঙ্বু নচা নুংশিব পোক্লিবরা? নচাসিংদু সিগেরা, হিংগেরা ঐখোয় খঙ্দে। অসিগুম্ব মথোং শুক্কব থবক্ অসি অমুক্ হন্ন চত্থব যাররোই। নহাক্ তোম্পোক্কী মতুং ইন্দুন চৎখ্রো।''

বিনা মচাসিংগী খন্বদ থব্রায় হেন্ন হেন্ন ব্রারক্খি। অপীক্পা মচাসিংদুন মমা হল্লক্প ঙাইরম্গনি। অদুবু মমানদি মচাসিংগী অব্রাবদি কোক্হন্ব ঙম্লোইদৌরি। তোম্পোক্সু মকোক্ক মথুৎ হাপ্কত্তুন মখ্বায় ব্রাব হৌরক্ই, ''ঐন মরম্ ওইদুন শাগে নাতে লৈখা তান মাঙ্হন্গদৌরি। ঈপা ঈমাগী মায়্সু খূহন্ব। ঐসে ওহোক্ক পঙ্ব নুপা হায়বদো হেক্ ওইরুইদা।''

তোম্পোক্ক বিনাগ এ এস্ আই সুরেস্ন লোক্কগুগী থাদোরক্লে। তোম্পোক্কী মপা ইবুংঙো চাউব লৈকায় মমাঙ্দ ইকায়বন মায় থম্ফম্ লৈত্রে। অদুবু মচানুপান ওক্তব লম্বীদ খোঙ্দারুবনীনা মীয়াম্ন তারক্প ব্বায়েল্দু হিক্তোক্প ঙম্দ্রে। লৈকায়গী মৈরা পায়বী অমদি ব্লব্কী নহারোল্সিংগ পুন্সিন্নরগ তোম্পোক্ক বিনাগ ব্লব্কী শঙ্দ 'কন্যা' কৎলি। 'কন্যা' কৎপ লোইরগ তোম্পোক্ক বিনাবু ময়ুম্দ পুসিল্লক্খি। মপা চাওবদু ইকায়্বন মপান্ থোক্প ঙম্দ্রে। সোফা কাদ ফম্দুন লৈরিঙৈদ মেম্চাসু চঙশিল্লক্তুন ফম্লরে। মেম্চান হায়রক্ই, ''মোয় পাবুং ঐদি লৈকায় অসিগী মমাঙ্দ চঙ্শি সিরবনি। নত্তে ঐন হায়বদি মচা লৈরবী নুপী অসি নৎত্রবদি...?''

''করিনো হায়রিসিবো?''

''নঙ্ন নচাবু মনীং তম্হন্বদগী থোক্লিব ঙাক্তনি।''

''মপাদি মচা ব্বারক্হৈদ্রবরা? শোয়্রগ মমা ঐঙোন্দ তাইনবীরিসিবো? ''

''নঙ্ন নচানুপাদ সেল্পীদুন মনীং তম্হন্বদগী নচান ওক্তবগী লম্বীদ খোঙ্দাখিবনি।''

মেম্চা মশান মরাল্ য়াজরবগুম্ ব্বা মচেৎ অমত্ত ঙাঙ্লক্খিদ্রে।

চৈনা অমদ

তোম্বন ইমুংদগী হেক্ থোরক্পদ থোঙগান্লোম্দগী জিন্সি অম থৌজিল্লক্খি। তোম্ব ঙক্চান্নন জিন্সিদুদ সংত্রিক্ য়েংই। জিপসিদুদগী এ এস্ আই অম থোং হাংদোক্লগ কুম্থরক্খি। নোংমৈ পায়ব পুলিস্শিংদু মনীং থংব থোঙদুদ ফন্ ফন্ চোংথরক্খি। তোম্ব মীহুল্ তিং তিং চোংব হেন্গৎলক্ই। ৱাখল্দ মওল্ মওল্ খল্লক্ই, ''করিগীনো পুলিস্শিং অসিন ঐগী য়ুম্সিদ লাক্ইবসিবো? ঐন কনাদ করি লাল্লুবগীনো?'' চিংনব ৱাখল্দ ইরাক্লরিঙৈদ এ এস্ আই অদুন তোম্বদ ওন্সিন্দুন হায়রক্ই. ''তোম্ব হায়রিবসি নঙলা''

তোম্ব ইপা পাখত্তুন খুম্মী, ''হোয় সার্। করি থবক্নীনো

সার্‌হোযন ইথা থাজদন ঐগী য়ুম্‌সিদ লাক্‌পীরিবসিবো?''

এ এস্‌ আইদুন খোল্‌ ব্রাউন হায়রক্‌ই, ''ঐখোয়ন লাক্‌পগী মরম্‌ লৈ। নহাক্‌ পুলিস্‌ স্টেসন্‌ ফাওব চত্তব য়াদ্রে।''

''ঐদি করিগীদমক্ত পুলিস স্টেসন্‌দ চৎকদৌরিবনো?''

''হোরেল্‌ আ য়ৌরগ পুন্নমক্‌ খঙ্‌লনি। গাড়ীদ কাখৎনব তৌরসি।''

তোম্ব মরম্‌ শুক্‌খঙ্‌ খঙ্‌দন জিপসি মথক্ত কাখৎখ্রে। জিপ্‌সিদু থোঙ্‌গান্‌লোম্‌দ কন্ন থৌদোক্‌খি। লৈকায়গী মীশিংন মুন্ন য়েংদুন লৈহৌরি। নুপা অমন হায়রক্‌ই, ''তোম্ববু পুলিস্‌ন ফাখ্রিবসিবু করি মরাল্‌গীনো?'' নুপা অমন অমুক্‌ খুন্নক্‌ই, ''মরাল্‌ লৈতন মীবু পুলিস্‌ন হেক্ত ফাব যাববরা? তোম্বগীসু মরাল্‌ অমদি শোহয়দন লৈরম্‌গনি। অদুনবু ফারিব নৎত্রা?'' অহল্‌ অমন অমুক্‌ হাযরক্‌ই, ''লৈকায়সিদ তোম্বমুক্‌ ফব নুপাদি অনি সুদবনি। মমা মপাশিংন মচাশিংবু ব্রারক্‌পদ তোম্বগী মতৌ তম্‌জৌ হাযনরিবনি। মহাক্‌ বেঙ্ককী কেসিযার্‌ ওইরিবনি।শেল্‌গী মতাংদ অমোৎপ লৈবদগী ফারিবরা?'' নুপা অমন অমুক্‌ খুন্নক্‌ই, ''তোম্বন মীয়াম্‌গী মাঙ্‌নব থবক্‌ তৌরম্‌গনি হায়বসিদি থাজদেবু...!''

ঙসাই অয়ুক্ত পুলিস্‌ন তোম্ববু ফাখিবদু নুমিদাংব্রাইরম্‌দ থাদোরক্‌খি। কোম্হোঙ্‌ মযাদ অহল্‌ অম লেপ্তুন লৈরম্মী। তোম্বদ ওন্সিল্লগ হংলক্‌খি, ''ইবুংঙো তোম্ব নঙ্‌বু পুলিস্‌ন ফারিবদুবু করিগীনো?''

তোম্বন অহল্‌দুদ ওন্সিল্লগ খুন্নক্‌ই, ''লাইবক্‌ থীব হায়বদুনি খুরা ইবুংঙো?''

''ইবুংঙোন কনাদ করি লাল্লুবগীনো?''

তোম্বন নিংসা মপী সাংন চিংলগ হায়রক্‌ই, ''থা মরিরোম্‌গী মমাঙ্‌দ লৈখিদ্রব কেসোগীদমক্ত চিংনবদগী ঐবু ফারিবনি।''

''ইচাবু কেসো হাৎপগ মরী লৈনৈ হায়রিবরা?''

''মীহাৎপশিংদু ফাব ঙম্‌হৌদ্রগ ঐঙোন্দ তাৎ তৌরিবনি। অদুবু লুপা লিশীং মঙা পীবদগী ঐবু থদোরক্লিবনি।''

''ফরে ফরে য়ুম্‌দ নীংথিন পোথাজরুরো চৎলো।'' তোম্ব ইমুংদ চঙ্‌খি। অহল্‌দুসু নুংসা থীব খর ফরদুন ময়ুম্‌দ হন্‌খি।

তোম্ব ফি হোংদোক্লগ ফমূংদ লোংন হিপ্‌থৈ। কেসোগী মসক্তু মমিত্ত সং সং উরক্‌পগুম্‌ তৌরি।

তোম্বগী য়ূম্‌গী অৱাং থংবদ ইবেতোন্‌ কৌবি লুখ্রাবী অম লৈ। মাগী মচানুপা কেসো দ্রগ্‌ চাব মীনি। ময়ুম্‌ পাম্বদগী মচা অনীসু লৈরবনি। নোংবদি কেসোবু নহা খরন কন্ন তান্নরক্‌খি। তোম্বসু শুমাঙ্‌দ ইরুজদুন লৈরিঙৈ মতম্নি। কেসোন ইপা পাখৎন চেন্‌সিন্‌খিবদুদ তোম্বসু ইপা পাখৎন চেনশীন্‌খিবদুদ তোম্ব ইঙক্‌ ঙক্‌ই। ফত্ত-হৌদি লংথোক্‌ফম্‌দুদ কেসোন ময়োম্‌ অম লোৎশিন্‌খি। ঙাইহাক্‌ লৈরগ নহাসিংদুন ইমূংদগী কেসোবু ফারগ খুদাং পায়রগ চিংথোক্‌খি। নহাসিংদুন কেসোদ কাওবগ থিম্বগ তৌরক্‌পদুদ কেসো তসেংন চৈনা খাঙ্‌ব ঙম্‌দে। মশাদূ থক্‌ থক্‌ নীক্তুন হায়রক্‌ই, ''ঐগী থৱায়্‌দদি কম্বিয়ু ঐ য়াম্ন ৱারে।'' নূপা অমন হংই, ''ঙসাই নঙ্‌ন পুখিব নম্বর্‌ ফোর্‌ পেকেত্থ কদায়দ লোৎসীল্লি হায়য়ূ।'' কেসো নূপাশিংদুন ফূবদ ইহীং নাইহিং সারব ফাওবদ অশেঙব ৱা হায়দোক্ত্রে। অশেংব হায়রক্তবদুদদি কেসোবু হন্‌জিন্‌ হন্‌জিন্‌ ফূব হেন্‌জিল্লক্‌খি। অমুক্কসু হায়রক্‌ই, ''ঐদি করিমত্ত পুদে। ঐগী থৱায়্‌দদি কম্বীয়ু।''

কেসো ফূমম্বদগী ৱাম্বখ্রে। নূপাশিংদু পাখৎপদগী চপ্‌ লেপ্তুন

য়েংই। ইমুংলোম্‌দগী কেসোগী নূপীদুন ঈশিং পুরগ থোরক্‌খি। কেসোগী মকোক্ত ঈশিং থারক্‌খি। মকোক্ত ঈশিং খর থাবদগী ৱাখল্‌ খর লৈতারে। লৈকায়গী অহল্‌ অমন নহশিংদুদ হায়রুই, "কেসোগী মরলনে চাজবনি। শিগে শিসনু। মীবু অদুক্‌ থীন ফূবীব হৌনবরা?" নূপা অমন শাউন খুন্নক্‌ই, "নম্বর্‌ ফোর্‌ চাব মীন মসাখক্ত সিরবদি ফৈ। ময়াই কাবদ(দ্রগ) লায়চুরব নূপা অমন হুবাম্বগী লিচৎ অম চৎলক্‌ই। অদুগীসু মথক্ত কেসোসে য়ূম্‌ পাল্লবনি। হযেং মান শিখ্রগ নূপী অঙাংদ চৈনা চৈথেং ফংহৌগনি। ময়াই কাব(দ্রগ) চারগ এইদস্‌ লায়না নাবক্তুন মীওইবগী পুম্পিবু খাঙূথক্ত কেম্‌হল্লি। মসিগীদমক্ত ঐখোয়ন ময়াই কাব (দ্রগ) কাপ্প মীবু থিংহৌদ্রগদি ঙসিগী খুন্নাইসিদ নূপা ওইবশিংশি মুৎখিব য়াই খনজৈ।"

নহাশিংদু কেসোগী য়ূম্‌দু থাদোক্তুন চৎখি। নহাশিং অদুন চৎখ্রব মতূংদ কেসো হিপ্পম্বদগী হৌগৎখি। ঙসাই মহাক্ত নম্বর্‌ ফোর্‌ লোৎলম্ব মফম্‌ অদুদ অমুক্‌ লাক্‌খি। অমোৎ অকায় মরক্তগী নম্বর্‌ ফের্‌ পেকেত্তু লৌখৎলগ ইমুংদ চঙখি। কেসোগী লম্‌চৎ কা হেন্‌জিল্লক্‌খি। ময়াই কাব(দ্রগ) চাবগী চাং হান্নদগী খংহেন্‌ হেন্‌গৎলক্‌খি। কেসোবু ফূরম্ব নহাসিংদু মিৎকূপ্‌ নাহুম্‌ য়েংদুন কম সেম্নব হৌরক্লে। নোংম নুমিদাং অম নহাসিদু লাক্লগ থোঙ্‌ থীল্লক্‌খি। কেসোদি ইসি সিন তূপ্লি। মাগী নূপীন থোঙদু হেক্‌ হাঙদোক্‌পগ নহাশিংদু কাবোম্‌দ হোৎচিন্নখি। ইসি সিন তূপ্লিব কেসোবু সগলদ্রু তাপ্‌ ফারগ মপান্‌লোম্‌দ চিংথোক্‌খি। মাগী নূপীন খাম্‌জৈ, "করিনো ময়াম্ন তৌবিবিবসিবু...?" নূপা অমন হায়বক্‌ই, "থোইন ৱাবীরুনুদা, মহাক্‌ ঐখোয়গ ৱারী অমখক্তং শাগে তৌবনি। নীংথিজন পোত্থাবীয়ু।"

কেসোবু থোঙ্গান্ ব্বাংমদ পুথোক্থ্রগ মথবাক্ত নোংমৈন কাপ্থুরগ লংথোক্লম্খি। নোংমৈ মথোল্ তাবদ পম্বনিংদ্রবী কেসোগী নূপীদু থোঙ্গানলোম্দ ইপা পাখৎন চেম্রোরক্খি। কেসোগী থব্বায়দি চৎখিবন হাল্লদ্রে। মপূরোইবগী থবাক্ত ঈন পূম্ঙাং ঙাংদুন অরোইব ব্বহিপ্ তাল্লম্বদুদ কেসোগী নূপী খোন্জেল্ হৌন কপ্লক্খি, ''করিনো তৌবীরিবসিবো? পীক্লিব নচা অনিসিন মপা থিরক্প মীৎকূপ্ত লাইবক্ থীহৌরবী মমান করি পাউখূম্মো পীগদৌরিসিবো?'' মপূরোইবগী থব্বায় য়াওদ্রব হক্চাংদুদ কোল্লগ ও খোংন কপ্পুন তেংথাজরি। তোম্বগী নূপীন ফমাংদ লেপ্লগ কৌরক্ই, ''তাবীরিবরা চাক্ লোইরে হৌগৎপীরো?'' তোম্ব মীৎকপ্ খংথোক্ খোক্ই। ফুক্ হৌগৎলগ ফম্মী। মাগী নূপীন ফম্জিন্দ ফম্থরগ হায়রক্ই, ''কয়াম্ কন্ন ফূরক্পগে?''

''খংদে নঙ্গন্সে চৈরম্ন পোপ্লবনি।''

''হোরেল্ চাক্ তোক্লগ হিগা মৈজরগে।''

শওম্ ওক্লব

ঈমা-ঈপাবু নাথৈব পান্নুবগী ৱাফম্ ঙাক্সু নত্তে, নূপীবু থাক্ ৱাংন খল্লুব নৎত্রগ নূপীন হায্ব যাম্ন ইল্লুবগী ৱাফম্সু নত্তে। মতাঙ্গন মতম্ন য়াদদুন অবূংচাগ কোম্বীরৈগ মীগী মযূম্দ ভরা পীদুন লৈখ্রবসি। মশক্ মতৌদ চঙ্খোম্বী কোম্বীরৈবু অহান্ব শক্থঙ্নব নুমিত্ত পোক্কবী মমান লূক্মায্দ থেন্দুন য়োন্ব কৈথেল্গী পোৎশক্ অমগুম্ নূপা খূদিংমক্ত য়োন্নব হোৎনখিবদু থম্মোয্দ তাশোন্ন থিন্বগুম্ থোক্খি। অবূংচানসু কোম্বীরৈ নুংশিজরব অদুগ চান্নন পোক্কবী মমান মচানূপীবু মঙোম্দসু থাজবক্খিবনি। কোম্বীরৈবু থাজখিদব নূপাসি মশীং খীবদ ওখাক্ল য়াম্খ্রে। মচাবু তুংগী যাইফনব থাজ যোঙ্জবগী ৱাফম্ নত্তে,

থওই উশিত্তব অমগ লোয়নন মাঙলসনু হায়বগী মতৌদুমক্কি। পূম্ন মক্ ওইদুনসু কোম্বীরৈদি নূপা নহাগী ৱাখল্ থোইন লৈজদে। মমাগী অপাম্বদুগ মহাক্ক মোৎ খেন্নরক্খি। মদুগী খুদোংচাব লৌরগ মমান হায়ব ইন্দে হায়বগী ৱাফম্ কয়া লান্ন-লান্ন পাউথোক্পি। মচা পীগনি হায়দুন শেন্থুম্, সনা লূপা কোঙ্গায়্নি লৌখিব। মসিবু নূপী অমন নূপী অমগী মফম্দ চৎনব লীচৎলা? খুন্নাইসিগী চৎনবী ওইরবরা?

১৯৮৮গী অনৌব চহী হৌব নুমিত্তুনি। কোম্বীরৈ ৱাখল্গী ংমদ থীকাদার্ প্রেম্দ শীন্দুন চেল্হন্ব থৌরাংনি। মশা মতিক্ চাব নূপানি হায়্রিবদু চুন্নবসু মতূ মচা লৈরব , চহীদসু মপাগুন্নব প্রেম্দ খক্ লৈনিংখিদবনি। মদূমক্ক য়ূম্ কৈ পাম্বগী ৱাখল্ লৈজদব কোম্বীরৈন অবূংচাদ নোঞ্জদুন পূন্সিদু শাফরনি খন্দুন মচীন্ন থোক্ক হায়্জখিবনি। মীনুংশি চাউব অবূংচান কোম্বীরৈবু মহাক্কী ওইবদ থোইন কায়্দ্রে হায়দুন অরোয়্ব ৱারেপ্ লৌখিবনি। কোম্বীরৈবু য়ূম্গী মৌ ওইন লৌশিল্লুব হাক্তক্তগী নূপা ময়ূম্ নূপী ময়ূম্ ৱা লান্ থোক্কদুন ঙসি মীগী ভারাগীদ শাইদাংদুন লৈরিব অসিনি। অবূংচা মসিগীদমক্ থোইন অৱাব নৎত্রগ নুংঙাইতব পোক্কুদে। থোইন হেন্নদুম্ কোম্বীরৈগী পূন্সিবু ৱাহন্দন থম্বীগে হায়বসিন মাগী অচেৎপ ৱাশক্ ওইরি। অদূমক্ক মথোয় অনীগী য়ূম্বাল্দ ঈংন চীক্ক, মৈশা লাংদন লৈবনি হায়্ন খল্লবসু য়াই। থা অমগী ভারা লূপা ৭৫ পীথোক্খ্রগ লেম্হৌব শেন্ফম্ খরদুন মথোয় অনীগী ঙাচেৎ থুম্চেৎতগী হেন্দোক্তুন খজি খজিক্ ফাওবদি তূংশিঞ্জব ঙম্জরে।

খ্বাইদগী লুরিব ৱাফম্দি চীন্গায়্ৱাসিনি। থংনন লৈরিব কাশিংদ লৈরিবশিং অদূ অচৌব লোয়্শঙ্গী ওফিসর্ য়াওরি। মথোয়্ন অপীক্প অবূংচাগী মরম্দ ক্রিতিসাইজ তৌনরিব করিনো?

মনাকোঙমক্ত তাখি, 'ঈচা পোক্‌প লম্নি। নূপী পোক্লগ ইয়াগী, নূপা পোক্লগ ইমৌগী। চাউনব য়োক্‌পীবদি মমা মপাগী মথৌ ওইরে। হৌজিক্কী মতম্‌দ মচাগী মপাল্‌দি চাও্‌তম্‌দে। অবূংচান মাগী শক্‌হেন্বী নূপীসিগী মখূত্ত লৈুন ভারাদ লৈরিবসিনি।'

ব্রাফম্‌সিদ মহাক্ তৌফম্ খঙ্‌দে। নোংম নীনিখক্কী ব্রাফম্ ওইরক্লে। তলব্ ফংব খূদিংগী, নারোন্দ চঙ্‌লক্‌প অহেম্ব শেল্ ফংব নুমিত্ত, শানৈ য়ুনৈবদ, মখোয়গী তার্গেৎ ওইবসিনি। ঈপা ঈমাগী পোক্ ফম্ লম্‌দম্ থাদোক্তুন লাক্‌পদ হৈনদব খর ফাওরবসু মতম্ মাবুদি কাহোক্তুন চৎপ য়াদে। নোংম ফাদোক্‌সু ফম্‌জাউ পায়্‌বশিংন অবূংচাগী কারোম্‌দ কোয়্‌রক্‌প য়াওদব নত্তে। করেম্নব খোল্‌হৈদ করিসু নাচুংদন, নম্বোল্‌দগী লাক্‌প ওফিসরদুন হায়্‌রক্‌ই- ''মী অমগী পুন্সিদ এরোপ্লেন্ তোংব ফংদন পুন্সি লোইখিব, ত্রেন্ তোংখিদব মীওই কোঙ্গায়্‌নি। পোৎকী মমল্‌ন অতিয়া খেৎলব মতম্‌সিদ লূপা ১০০/২০০ চাব থবক্ মচা তৌব মীশিংগী পুন্সি মহীংদু ব্রারম্‌গনিদা। ঐখোয়্ ফাওবদ ওহোক্ত ব্রাখ্রে।''

অবূংচা থনূংদ তেন্ন পাল্লব মীগুম্ চৈনা খাঙ্‌ই অমদু হায়্‌রক্‌ই, 'অপীক্‌প মীসু, অচৌব মীসু, সফম্ সফম্‌গী মতূং ইন্ন খুৎহীংসু খেন্নবনি হায়্‌বসিসু অচৌব কোক্‌শিংন খঙ্‌দবগুম্ তৌই।'

- নঙ্গীসি ঐবু ব্রারৌরগ হায়্‌ব মাল্লি। সুম্‌চুম্ন থন্নবগী ব্রাফম্নি। নঙ্গীসি ঐন খর পায়্‌শিল্লক্‌ই হায়্‌বসিদ নিশা খাইব ওইন খল্লব মাল্লে। ঐখোয়্ অদূগুম্ব মীদি ওইদবনিদা', মখোল্ কয়া হাউতন নোক্লগ মখা তারক্‌ই, 'মী হায়্‌বসিদি ঐন লোইরে খম্ব য়াদবনি। শক্ত নাপল্ তৌব য়াদব মতাঙ্‌সু লৈবনি। ব্রামক্তবু হায়্‌জরিব'।

অবূংচা তাবদ নাকোংদু মৈদৌন ঙাঙ্‌লে। ব্রারবজাৎনি।

পাম্বে লৈমন্দবদগী খাঙ্‌বগী ৱানি। উরীপোক্ বাচস্পতি লৈকায়সিদ লৈরক্‌প চহী অম হেল্লবনি। থংনন লৈরিব মীওইশিং অসিগ মহাক্ক লৈমিন্নবদ খুদোং চারোইদৌরি। এক্স-রে টেক্নিশিয়্যান্ ওইন লনাই ক্লিনিক্ অমদ থবক্ তৌবনি। শেল্ য়াম্ন থোক্তে। অহল্ লমন্‌গ য়ানদে হায়বগী মতৌদ অবুংচাগী কনা লৈতে খন্দুন ফম্নাইবশিং অদুন কোম্বীরেগী অচীক্ অকোম্ থিরক্‌পসি ফন মশীং য়াম্রে হায়বসি মথোয় মনিমক্ খঙ্ই। পাঙ্গল্ থোক্‌প যাদবন পাঙ্‌দব নূপা অমদি ওইদুন লাক্লি। করম্নদি থৌনা ফূদোক্কনি, অপীক্‌পগ অচৌবগ অনীগী লম্বাসি অচৌবন ঙম্লিব মতম্‌সিদ। মদূগীসু মথক্ত মীগী ভারাদ লৈরিবনি।

অশাওবন মৈ হৌরক্‌পদ তূম্রম্ব ঈশিং কয়া, নূং-লৈপাক্ কয়াসু মৈতান্ ওইন পোক্‌থায়রক্‌ই। অপীক্‌প মীন অচৌব মী ফূহৈদে হায়বগী চৎনবী লৈতে হায়ব তাক্তুন নম্বোল্‌গী ওফিসর্ সন্তোস্‌পু অবুংচান লৱাইদ কহুখিব নুমিত্তুদগী য়ুম্নুন মথোযবু য়ুম্‌দগী তাহোরক্‌খি। হৌজিক্ চীংমৈরোঙ্ খোংনাং কারক্ত লৈরি। মরুওইব ৱাহৌদি অবুংচান থবক্ খর থেংন হল্লক্‌প নুমিৎ অমদ সন্তোস্‌ন কোম্বীরেবু নুংঙাইন থম্বীগে লাক্‌ও হায়দুন খূদাং পায়রুবদগীনি। হৌজিক্তি শেঙ্গাও পায়বশিংগী মথূত্তগী লাপ্ন লৈরবনিনা হিংবদ মহাও খব ফংলবগুম্ হিংব ফংলে।

মচানূপীসিন চহী অহুম্ হেল্লক্লব অদুগ কোম্বীরেন মশা ৱাই শংদবশিন ইমূংগী কোল্‌লীক্-ৱাইবম্, ফিসূ ফিজাম্দ অবুংচান মতেং পাংব ঙম্লক্তবদগী ঙাম্বীবু মচেগী মতেং পাংনব য়ুম্‌সিদ থম্লক্‌পনি। কা ৭ কী মনূংদ মীতৈ অহুম্, কসারি মুস্লিম্ অনী, অতৈন বেঙ্গলি ইমূং ওইন লৈরি। কসারি লম্বুদি মিস্ত্রিনি, তৌবূল্‌দগী ইনাওচাগী ইমূংগ অবুংচাগী ইমূংগদি নুংশি চাম্নন লৈমিন্নবগী মথক্ত

অরৈ লৈত পূম্নমক্ হংদোক্ হংজিন্ তৌনরিবনি।

থবক্ ৱান হল্লক্পদ চাক্ থোংলম্দে। কোম্বীরৈসু মশা ইঙম্ ঙম্দন ফমূংদ হীপুন লৈরম্মী। অবূংচান তপ্ন হংই -

- ঙাম্বীদি য়ূম্দ চৎখিবরা?

- চৎখিদে।

- অদুদি কদায়্দ চৎখ্রব? চাক্ ইন্সাংসু থোংদে।

- পাক্পীগ লোয়্নন মখোয়্ সিনেমা য়েংলুনি হায়্দুন চৎখিবনি। য়েংজসনু হায়্দুন চৎহন্খ্রবনি। ঙাঙ্বিরুরনু ঙসিখক্তনি।

নূমিদাংগী পূং ৮ হেল্লব ফাওবসি হল্লক্তবদুদ অবূংচা শাউনিংবন ঙম্খৈ লৈতে। চীন্বান্ থোক্ল মায়্থোঙ্ য়ৌন অশাওব মমিদি উহন্খিদে। নূপীমচা লৈশাবী অমনবু অসুক্ থেঙ্লব ফাওব হল্লক্তবসি করিগীনো থম্মোয়্দ লাঙ্তক্লব অমদি ফাওহল্লি। মতৈ অম লৈ হায়্বগী অকীব অমত্ত উত্তব, মশাগী অপাম্ব থবক্ত মনীং তৌন হিংলিব পুন্সি। মমা মপাগী মখাদ হিংলবসু মসিমক্তি অফব নত্তে খল্লি। ইথক্ থোংবগী পাউতাক্ লৌব থক্সি খাসি নাইব হায়্বসি খুন্নাইসিগী ঈগী খোঙ্গূল্নি। য়ারনি হায়্বগী মতাগুম্ মনীং তৌনরক্পদগীনি খুন্নাইসিন মচেৎ মচেৎ তারক্লিব। নীঙোল্ অমন অকিব অমসুং হঙ্গোইব য়াওন হিংবসিন নূপীবু হন্থন থম্বিবদি ওইরোই।

নূপাগী হিংবগী হক্তুমক্ ফংনব হোৎনবদ লৈখা তাখিব নীঙোল্ মশীং ওখাক্ য়াম্খ্রে। অফবদ তান্নরবদি ফব, অমম্ অথেঙ্ কিরক্তব, চীঞ্জাক্ত হক্ তাল্লুবদ নূপান খুদোংচাব লৌখিবগী ৱারীন মশীং য়াম্লি। পূম্নমক্ কনাগী মরাল্নো?

পূং ৮ তারক্পগী অদ্বাইদ ময়া ইথি থিগত্তুন মখোঙ্গন থৌশা ৱাশাদন পাক্পী, ঙাম্বী মখোয়্ অহুম্গী খোঞ্জেল্ন পূম্নিল্ নিল্লি।

নূপাগী খোঞ্জেল্দি পাক্ক তাদে অদূবু য়াওদি য়াওরক্থি হায়্বদি কোন্ন খঙ্বনি। থৌশা ৱাশাদন মফি মরোল্ হোংদোক্লি। চাক্ ইন্সাং থোংথ্রবরা, মতৈ হল্লক্থ্রবরা হায়্বগী মনা মনিল্ করিমত্ত নাইদন মাগী তৌফম্ থোক্প অদুম্মক্ লোইশিল্লি। লৈশাবী অমগী মতৌ থাদোক্ মফি মনা ইকোম্ কোম্ন হোংলি। শাওনিংলম্ব পূম্ব মহাক্কী তবারব হক্চাঙ্দুন ঙাইহাক্তি নাউশুম্বগুম্ তৌখি। চাক্সু চাখিদ্রে। মচেন তুম্লম্ব ফমূংদ অদুম্মক্ কাখত্তুন তুম্খ্রে।। অবূংচাদি অহীংদুম শাউনিংবোই কল্লক্পোই তূম্ব য়াদন অদুম্মক্ লেন্থিবনি হায়্বসি ঙাম্বীনদি খঙ্লম্গদ্রা?

নোং ঙাম্বগ চীন্ য়া শেংদোক্লগ অবূংচা নোংমগী তৌফম্ থোক্প মথৌ তৌনব চৎখ্রে।

ঙাম্বী অয়ূক্কী কোল্লীক্ ৱাইরম্ শেংদোক্প লোইরগ চাক্ ঈশিং থোংদোক্লগ মচেবু পীজরে। অদুদৈ অদুম্ মাঙ্খ্রে। ঙসিদি অবূংচা থাঙ্জ ওইবগ ক্লিনিক্তগী ঙন্ন কূম্লক্ই। মান লৈরিব কাদু চঙ্লক্পদ ঙাম্বীগী মখোল্ তায়্। ঙাইহাক্ লেপ্লগ তায়্, মরূপ্ ইনাউচাগী কাদনি শানরিব ৱারীসে।

ঙাম্বী ঃ ইনম্ম ঙরাংগী সিনেমা য়েংলুবদু পুন্সিদ কাউব য়ারোইকো?

সুলোনা ঃ নতৈন থেঙ্বগী শাউদ্রো?

ঙাম্বী ঃ কৈসু চৈদে। ঐন হল্লক্পদদি মখোয়্দি তুম্লম্লে। ইনম্ম পাক্পীগত য়েংব ওইন খল্লম্গনি।

পাক্পী ঃ করিগুম্ব নতৈন, ইপূরোইবন খঙ্খ্রদি ৱাথোক্ ওইরক্কনিকো। নশান হৈন শিংন চৎলুকো।

ঙাম্বী ঃ করিনো হায়্রিসিবো?

পাক্পী ঃ মৌ ফত্তবীশিং অসিন ইনাওনূপীবু মুস্লিম্দ শেম্নব হোৎনরে

হায়ন মীন বদনাম্ তৌথিনি। অদুগ নুংঙাইনবনি হায়দুন মচা অমমম্ থক্চীল্লুবদু ঐদি কিজবন।

ঙাম্বী ঃ অদূনবু নুংঙাইবিব নৎত্রো?

অবূংচা লেপ্প লেপ্প ৱারীদো তাকবদগী হুমাংন পূম্লূপ্ লূপ্খিব খঙ্হৌদে। খজাই তম্ন চেন্হবক্লিব হুমাং মরীক্তুদি যেৎথংব মথূত্তুন তপ্ন তৈথোক্খিবগুম্ তৌই।

তাঙ্গাদুদ অব্দুল্‌নে তাপ্ ওক্লগ খুন্নক্ই।

অব্দুল্ ঃ সিনেমা অমখক্ য়েংলুবগী ৱাথোক্ ওইরদি কোক্ পুদুন চৎখ্রগ লোইবে।

পাক্পী ঃ অব্দুল্‌সু নঙ্গীদমক্ খৱদ ৱাজববনি। অদো নবানি ৱাবী শাগে হায্বদু ঙাইহাক্ শানৌ, ঐ নতৈ ইবুঙো লাক্প্রা য়েংগে।

ঙাম্বী ঃ অদো ইনম্ম খর কুইন য়েংউ। কবিগুৱ লাক্লগন বেষ্টুরেন্টদ ওইন চৎখ্রবসু চৎলুগে। অদুদন অনীংব অপাম্ব খূদিংমক্ ফংদোইনি। (অব্দুল্‌দ ওন্সিল্লগ) নৎত্রনে? অব্দুল্‌সু চুম্মী হায্বগী পাউখুম্‌দ মঙত্তু ইন্থি। ইবূংচা খোঙ্লৈ থুন মাগী কাদ চঙ্লক্থি। মচেদদি হায্নীংবনি। অদূবু হায়দ্রে। ইনাউচাগী তাইনব ফক্লাং ময়া নক্ল ৱারী তানব হোৎনবক্ই। মতৈ অম লৈ হায্বগীসু মশাদ অকীব পোক্ত্রব, জাৎ বিজাৎকী অখূব মীৎয়েং থাদোক্প শারদুন অব্দুলাগ অরোম্ব মবী থৱত নত্তন কা হেন্ন মিনুংশি পোক্প শাদুন নূপা নহাগ নক্শিন্নব পাম্বী লৈশাবী হায়বসি কা হেন্ন অফব শীংদ চন্সিৱ য়াবোই। অবূংচাগী ৱাখল্‌সি ফত্তে হায়্বকদি শুক্য়া য়ারোই। মীতৈগী চৎনবী ঙাক্সি হায্বনি। ইকাইব হঙ্গোইব খর থম্ফম্ থোক্ই হায়্বসিতনি।

পূন্নমক্ মাঙ্দ তাদুন লৈরব, ঙাঙ্ফম্ চৈফম্ খঙ্দ্রব অবূংচা নমাঙ্সু লাং, নতূংসু তেন্ কম্দৌদৌবিব? ফুৱংনব ৱাখল্ ময়াম্দুগী

মরক্ত ঙাম্বীবু ময়ূম্দ হল্হন্খিনব হোৎনব নত্তন অতৈ পাম্বে লৈরক্ত্রে। কোম্বীরৈদ হায়্রে-

- ঙাম্বীসে যূম্দ হল্হন্খ্রসি। মহাক্কীদমক্ ঐসু ফি রোল্ খরদি তম্মিংই। সনাগী লীক্ অমসু লৈবিগে খল্লি। নঙ্গ চৎমিন্নব ঙমগদৌরিবরা, ঐগ চৎলু হায়্ব্রা?

ঙাম্বী মপূরোইবগী ৱাহৈদুগী ৱাহয়োক্ চপ্ চান খঙই। তপ্ন হায়্রক্‌ই-

''মশা লাক্লগ হাইফেত্তংদি হংসিদনা।''

ৱাফম্ পূম্ব মচেন ঙাম্বীদ তম্রে। ঙাম্বী মীৎকূপ্তুদ মমীত্ত অব্দুল্ উরক্‌ই। অব্দুল্ন হায়্রক্খিব হেক্ শাউনব নুমিত্ত পুদুন চৎখিগনি হায়্বসি মহাক্কীসু অপাম্বনি। মচেন হায়্রিব ৱাফম্দু পূক্নীং চঙুন তাব শাদুন লৈ। নুমিত্তুগী নুমিদাংদ অব্দুল্দ ঙাম্বী চেন্খ্রে। অবূংচা লৱাইদ ব্রজ তাখ্রে। কৈ কিদুন চেল্লগ শওম্ ওক্লব হায়্বদুমক্লি মঙোন্দ থোক্লিব থৌওংসে।

ৱায়েন্ ঙাইব

ইচে নজিমা লিলোংদ ওঙ্বীদুন লাক্লুন মপূরোইবন অৱাফম্দ তাখিবগী ৱারী লীরি। মপূরোইবনা অৱাফম্দ তাখিব হায্বসি মাগীসু অচৌব শরুক্ য়াওরিবনি। হক্চাঙ্ তোঙাল্লবসু থম্মোয়্দি অমতনি। থা খরগী মমাঙ্দ হেরোইন্ নম্বর্ ফোর্ চাব মীওই খরগ নিঙাই শংদান্নবগী মথা শম্থরক্লুন অৱাফম্সি তাখিবনি। মপূরোইবন অরান্ব থবক্ তৌরুবগী তাখিব নত্তে হায়্বসু নজিমা খঙ্ই। অদূবু মতম্সিদদি অরান্ব নংত্রগ অচূম্ব হায়্বগী খেন্নব করিসু লৈত্রে। শঙ্গ লৈব, শেল্ পায়্ব, অমদি মমায় ঙাঙ্গন্দবমীন মতম্সিগীদি অচূম্ব ওইনরিবনি। করিসু লান্দবদ মরাল্ পীশিন্দুন জেল্দসু চহী অনী অহুম্

লেহ্মরবনি। লৈকায়গী ক্লব্ মৈরা পায়বীশিংন অৱাব কোঙ্গায় মায়োক্ল দুন যূম্দ হল্লক্খিবনি। অদুবু মীওইবন তৌগে খন্খ্রবদি ঙম্দব লৈতে হায়্বদু চুম্খ্রেদা। মদূসু অফব থবক্ত ওইরবদি ফগদব, হিংচা য়াইতম্ব, ঈখেং তারগ হরাউজব মীফত্তশিং অদূগী থবক্লদি করি অফব ওইরুগনি। ওয়োক্লসু ফত্তেদা মীওইব নখোয়্সে। নোংমদি শিরনি খঙ্লফাওবদ শিগনি হায়্সি কাউথোক্লবগুম্ তৌনৈ। মসিদনি নজিমান পেন্দ্রিব। মমীত্ত পি শীহ্দুন নোংদম্ব মঙোন্দ পেন্ন চৈরিবসে।

লাক্লদৌরিব ফেব্রুৱারি ১৮, ২০০৪ দ নহাপীক্ লুহোংগদৌরি হায্দুন কোয়লাঙ্ লাঙ্নবি হায্। লুহোংদ্রিঙৈদ যূম্দ্রু শানিংই, শেল্দি পায্দে অদুন মপূরোইবদ মতেং পাংবিয়্ হায়্রব জাৎনি। মাগী মপূরোইব থবক্তি ওখাক্ কন্ন শুজবনি। ঙাইহাক্ত পোথাব হৈনজদবনি, মচা অহুম্গী নূপীগীদমক্ । লৈত লায্রগীদমক্ নূপী অঙাঙ্ন মাগী থোঙ্জীন্দ চঙ্ব হায়্বসি নজিমাগী মপূরোইবন খ্বাইদগী পাম্জদবনি। মীগী থবক্ লৈরেবু হায়্রবদি শেল্ ৱাৎপ যাম্ব য়াম্ন থিগন্দে। পূক্চেল্ শেংনরগ লোইরে হেক্ত হায্রক্লনি। তৌবগীবুদি মীগী মপোৎ মচৈ হুরাম্ব, নম্জা নম্থেক্লগদৌবগী মহুত্তি হুমাংমল্নে হিংব মসিদগী হেন্ন ফব লৈত্রে হায়্বসি নজিমাসু খল্লি। মপূরোইবন শেঞ্জাও তাল্লবসু নজিমান অরেম্বদ নোংমতসু লৈথোক্তে। অঙম্ব থবক্ তৌদুন ইমূংগী ঙাচেৎ থুম্চেৎ পুই, ইন্সাং নাপীগীদমক্ কৈদৌঙৈদসু মিপান্ তাংদে। মসিমদি তশেংন অফব থবক্লি হায্ন খল্লি। ঐখোয়্গী লৈবাক্ অসিদ চৎনরিব খ্বাইদগী ফত্তব লায্না অমদি অকূপ্ অতা তৌদুন শেন্ তাম্বসি নোক্লে। শেল্ পায়্ব ঙাক্ত খূৎলিংব ঐখোয্গী লৈবক্সেদ অতোন্ অতা হিংবদ নোংম নোংমগী অৱাব ওইরক্লি।

নজিমাগী মপূরোইবন তৌরিব থবক্শিংদ মাগী লোয্নবীদ

তানরম্‌দব য়াওদে। হেক্ত হংগনি তৌসিরা তৌগুম্‌সিরা? মসিমক্ক মান নূপী মন্না লৌবগী ঙাক্‌পুদি নত্তে। অচুম্ব হায়্‌বসি অদুক্কী মতিক্ পাম্‌জে, মীঙোন্দ ন্না কন্ন ঙাঙ্ব ঙম্‌দে। মীনবু হায়্‌রিমখৈ হোয়াগম্ব মীশক্তি। অদূননি কম্‌দৌসিগে হায়্‌দুন হেক্ হেক্ ন্নাতানরিব। অদূননি নহাপীক্কী য়ূম্ শাবগী মতাঙ্দসু মাগী নূপীগ ন্নাতানখিবদো।

- ঐগ কৈশুম্‌শঙ্দ লৈমিন্নরম্ব নহাপীক্কী য়ূম্‌খর শাবিদব য়াদে কন্ন হায়্‌রে। হৌজিক্কাম্দি ইচম্ চম্ন জিঙঘন কূপ্প, লৈপী নান্‌হন্দন তৈব য়াওন লীশীং ১৬ / ১৭ লৌনরবনি। অদুন খর তাবিয়্ন হায়্‌রক্‌পনি।

- নঙ্দি করি খুন্নম্রে?

- ঐন লীশীং তরাদগী খরদি হাপ্পীদব য়াদে অচঙ্ব মী খূদিংমক্ পুথোক্কে, নঙ্গীদুসু অথুব থবক্লিনা থুন লোইশিন্নব, নংনব হোৎনবিগে হায়্‌রম্রে।

- অদূবু নহাপীক্ হায়্‌রিসিবু কদায়্‌দগীনো? পুক্‌চেল্ মুন্ন খঙ্বিরবরা?

- ক্যাম্‌গৈদগীনি। পূক্‌চেল্ হায়্‌বদি কূপ্নবুদি খঙ্দে, অদূবু তিন্নব য়াব মীশক্ অমনি হায়্‌ন খল্লি। নজিমা মপূরোইবগী অপাম্বগী মায়োক্ত কৈদৌনূংদ য়েৎখিব লৈত্তে। মীতেক্ মীরৌ খঙ্ই। অদুন মপূরোইবগী ন্নাফম্‌দুদ অহোয়্‌নদুম্ মতেঙ্ পাংবগী ন্নাফম্ ফোঙ্দোক্ই।

ঙরাং নহান্‌সূ নহাপীক্ লাক্তুন য়ূম্ শাবিরো, লুহোংব নংলরোইহায়্‌রম্বনি। মাংজৌ শেল্ ওইন লুপা লীশীং ২ সু পীরম্লবনি। হয়েংদি চৎলগনি হায়্‌দুন য়ুম্‌শা খূৎশু খূৎলাই তাশীন্ খোম্‌জিন্দুন থৌরাং তৌখ্রবনি।

য়ানব অমগী মখাদ খান্ মমান্নব অনীগ লোয়্‌নন য়ূম্ শাবদু

চৎলম্মী। নুমিৎ মঙানি তরূক্সি হৌজিন্খ্রে। য়ুম্সু খুমাঙ্ চাওশিল্লি হায়্দুন নহাপীক্স কৈথেল্দগী অনৌ অপেন্ লৈরক্তুন মথেল্দ হেন্ন পূক্সিং লূপ্শিল্লি। থোইন ফক্তব নহাপীক্ত উদে। মীন হাউন চারগ মপূক্সিং পেঙ্গুব মীশক্সি। মাগী পূক্সি থৌগৎপ মতৌদুদ য়ুম্ শারিব মখোয়্ অহুম্সু অয়ূক্ ঙন্ন ঙন্ন হৌদুন মশা মশাগী থবক্সি মতাগুম্ তৌনৈ। মসিমক্তি মীওইবগী মিনুংশিনি হায়্ন লৌব তাই। তে ঙ্বাঙ্নবন মীওইবগী চাওখৎপ হায়্বদো পুরক্কনি খঞ্জে মখোয়্গী পূক্সিংদ। চাক্ঈশিং হাউন হাউন চামিন্নুদন নুংশি মরী হেন্ন চেৎশিন্নরক্ই। নহাপীক্কী ময়াম্ব অনীসু য়ুম্ শাব মওইশিং অদুগ ওম্বোক্ত চেক্শিন্ন লোয়্নব হৌরক্ই। ব্রা ঙাঙ্বদ মেঙ্ব মতৌ অমদি য়াওবগুম্ তৌই হায়্নবী মখোয়্ মশেল্। তৌবগীদি অলিন ঙাঙ্বদ তানীংব অম হেক্ত পোক্ই। মীবু শুম্হৎপ হৈ। হায়্ঙম্ তৌঙম্ব অমদি লৈ হায়্বসি নুমিৎ খরসিদ খান্ন খঙ্ব ঙম্মী। খুৎশু খুৎলায়্সু থম্ফম্ লৈত্রদুন অলিগী ময়ুম্দ থম্মী। অদুগীসু মথক্ত য়ুম্দ অলিগ খর নক্শিন্নব হৌরক্পদগীনি লৈকায়্গী খান্ব্রু মশাক্ খঙ্ব মীশিংন অওইবরা ওইদবরা খঙ্দব ব্রাফম্ কয়া তম্লক্ই। পূম্নমক্ ওইদুনসু চপ্ চান হেক্ খঙ্দন মীপাউদগী লান্ন খল্লুবসু য়াব নত্তে। অদুন মশাদি চেক্শিঞ্জে মখোয়্ খুদিংমক্।

লোয়্বু লোয়্নরবদি হুই হৌদোং ফাওব নুংশিনরক্ই হায়্নরিবনি অদূবু মীওইব ঐখোয়্গীদি নক্করগ খৎনব, মীব্রা ঙাঙ্নব নত্তন অতৈ লৈতে। অদূননি খান্ন অলিবু কিব অসুম্ হেন্গৎলক্লিবসে। মীন ঙাঙ্নবদ বর্মাগী ত্রেঙ্গল্ হেরোইন্গীদমক্ বর্মা পুলিস্ন ফাদুন মতম্ কয়া লৈরুরে, মীঙোম্দ কিহন্দুন শেল্ খায়্ব, লম্বী লম্খাঙ্দ অচৎ অওক্শিংদ থম্কা তৌদুন মান্চাং মুম্বদ ওখাক্ হৈশিংলব মীশক্সি। অহিংদ মীগী ইমূংদ চঙ্দুন পোৎ চৈ হুরাম্বদ মশাক্ খঙ্লবফাওবদ

হুরাল্লিব পোত্তু মুল্হৌব ঙম্দব মীতানি। মাগী তৌনীংব থবক্ত মনীং তম্ন ফোঙ্দোক্লবগী অয়াব অমদি কনানসু ৱায়েৎ লাক্লরোই খল্লুবসিন অরাব্ব অম তৌবদ অকীব অমত্ত পোক্লম্দে। মসিমক্ক গেং ওইরক্খিবগী মরম্নি।

অসূম্ন নম্খঙ্ খঙ্নদুন নহাপীক্ক অলিগসু লোয়্নব হৌরক্খি। লোয়্নবদগী চাক্ চামিন্নব, থবক্ ইন্খাঙ্ মতেং পাংনব ফাওব য়াওনরক্ই। মথং মথং খঙ্নরক্পদগী অলিন খান্দ থবক্ চৎশি হায়্ন হৌবনি। অদূবু মাগী মচৎশিংদু কিদুন য়াখিদব কয়ানি। অলিসু থোইন ৱারৌ পূক্লৌ তৌদে। নোং ঙাল্লগ অমুক্ হায়্রক্ই। নোংম চাক্ চাব তোক্লগ ক্বা হৈ চারিঙৈদ মাঙ্গোল্দ ফম্লদুন অলি অতেব্ব নোংমৈ অম শীদোক্লগ শেংদোক্লুন শান্নরিবদু খান্দি পূক্লিং চঙ্লুদে। অঙাঙ্গী শান্নপোৎ ওইরবোই নীংলুবনি। শেম্ শারিবশিংদু পান্থৎপ লোইরগ খান্ন মমান্নবশিংগী ফম্লিব নহাপক্কী মাঙ্গোল্দ চঙ্লক্খি অদুগ হায়্রক্ই-

- খান্ নঙবু শেন্ পায়্নীংদ্রনে? পায়্নীংলবদি ঐগী ইতুং ইল্লু লাউনে।

- নঙগী তুং ইল্লবদি শেল্ পায়্রক্কদ্রা? (ফাগী ওই করি ওই হংলুবনি)

- ঐগী তুং ইল্লবদি নহাক্ চহী ফাদন লাখ্পতি ওইরক্প য়াই।

- কম্দৌন?

- 'মসি উরেদনা', নোংমৈদু উৎলদুন হংলক্ই, 'মসি মতম্সিগী শক্তিগী তূংনফম্নি। মাবু লৈরবদি ঙম্দব অমত্ত লৈতে। শেঞ্জাও পায়্বশিংদ নম্দুন লৌগদবনি। ঐখোয়্ন তৌগদৌব হায়্ববু শক্শিখক্ খঙ্হন্দ্রগ লোইরে।

খান্দি অসিগুম্ব থবক্সি হৌরক্ঙৈদগী কয়া য়াজদবনি। অদুগ ঙসিসু য়ানিংদব মশাক্ অদুম্মক্ উৎলি। নুমিত্তুদদি অলিন খান্দ ঙাঙুলম্ব খোম্দাসি ওহোক্ল ফজখিদ্রে। মী ওইব ঙম্লরোই, নপুন্সিদু হোমো চুদুন অদুম্মক্ লৈরগদবনি। নুপা ওইন পোক্লবদি নুপা ওইন হিংগদবনি।

লাল্লে খঙ্লব ফত্তবগী ৱাঙাঙ্ ওইরবসু খান্দি মশাদ ইকায়্ব ফাওবগুম্ তৌই। নুমিৎ অসিনসু খান্গী যুম্শাব লোইবগী নহাপীক্কীদ লাক্প অরোয়্ব ওইখি।

শেল্ থুম্খর ৱাৎখিবদু থৌব লাপেদ অলিন খান্বু থবক্ অম চৎলুসি হায়্দুন পুরম্মী। চৎলিবন লাই খুরুম্বনি মসজিদ্ত। লিলোং থোং লাম্লোরক্পদ করিম্ থেংনদুন অলিগ ৱারী শানখি। ৱারীদু খান্দি করিনো খঙ্দে। অলিনসু হায়্দে। কুইন শানৈ। লোইরদুন থোক্লপদ অলিদু ফি ময়োম্ অম পায়্রক্ই। খান্ন করিনো হংই।

নোংমৈনি মীন পীরক্পনি। অস্থাইফাওব পুদব য়াদ্রে। মখা তারুদে খান্ শেল্ থৌবক চৎনীংদ্রে । নোংমৈন লৌরিব থৌদাংসু খরদি হাক্মন্খ্রে।মরাল্ লৈব য়াই নৎত্রগ লৈরম্দবসু য়াই, অদুবু ওইহন্নিংব অম হেক্ত ওইহম্ব ঙম্বসিনি। নোংমৈ শীজিন্নব হৈজদব, নোংমৈ করিনো খঙ্দব কযা লৈখিদ্রে। নোংমৈদ থৱায়্ য়াওব, মসিতবু লাইশোল্ ওইব কয়াসু মাগ লোয়্নন চৎখিবসু য়াওখ্রে। মসিনবু করি নুঙাইনিঙাই মরম্ লৈরিবগে। অসুম্ চৎলম্বদগী নবাই খান্দো লৈহৌরে লম্বদ।

শেন্সু খিব চৎলুদ্রে, চীথহৌব খূৎলায়্ অম অনীদুসু লৌবগী ৱাখল্ পোক্লদ্রে খান্। মাগী ৱাখল্দ লৈরিব পোৎশক্তি নোংমৈগ শঙ্গ তৌদব মাগী মনাক্ নক্তবনি।

নোংম করিম্ন য়ূম্‌দ লাক্তুন খান্‌দ হায়্‌, নহান্‌ অলিগ নখোয়্‌ অনীন পুখিব পোত্তো মাঙ্‌খ্রে হায়্‌রিবসি চুম্ব্রা? মদো তশেংন মাঙ্‌লম্‌গনি হায়্‌বসে ঐদি থাজবগী ব্রাংমদনি। নখোয়্‌ন করিগুম্ব হীরম্‌ অমগী শোয়্‌দন শীজিন্নরম্‌গনি হায়্‌বগী থাজব ঐঙোন্দ লৈ। নখোয়্‌ অনীন নুমিৎ তরানি ফাওবগী মনূংদ পোৎশক্তো পুথোক্কদবনি। নৎত্রবদি আ চীংদ পুখত্তুন ব্রাহং পাউখুম্‌ তৌনরবদি কযা খুদোং চাগনি থাজদে।

ব্রাহৈদুখক্তুংন লব্রাই লুতোন্‌গী শম্‌শিংদো মশান লেপ্‌খৎচরক্‌ই। করি মখাবু তারুগনি। চীন্বান্দো ঙাঙ্‌নীংবন কাখৎলি অদুবু খোঞ্জেল্‌দি অমত্ত থোক্লক্তে। খান্‌ অব্রাবগী পল্‌দু নম্‌খায়্‌দুন চেম্ন্থিব পাম্রে অদুবু কম্‌দৌনি লাইবক্‌ মাগী লম্বীন করি তম্লিগব যেংব তাবনি। পীক্লব খোঞ্জেল্‌ন হায়্‌রক্‌ই, ব্রাফম্‌দুগী মতাংদদি ঐগ করিমত্ত মবী লৈনদে করিম্‌। ফি য়োম্‌শিন্ব নোংমৈনি হায্‌বদু মশক্‌সু উহৌদে। অলিন পুখি হায্‌বতনি ঐন খঙ্‌বদি। অদূক্‌ শাথিব শিব য়াব ব্রাফম্‌দু করিগীদমক্‌ ঐখোন্দ হায্‌রক্লিবনো?

অয়ূক্‌ পোবোপ্‌, নুমিৎন শক্তি লৈন মঙাল্‌ পীরিব মতম্‌দুদ নোংখাক্‌ খোঞ্জেল্‌দ করিম্ন হায্‌রক্‌ই, খঙ্‌দে খঙ্‌দে, খঙ্‌শিন্‌ উশিন্নদদুন নশা লৈথোক্লবগী ব্রাফম্‌ লাক্লবদি অব্রাব তার্‌পসু যাই। মদো ঐখোয্‌গীদি থব্রায়্‌সিবু নীং তম্ন হিংবদ মতেং ওইরিব খুৎলায্‌নি। মসি নহাক্ক কাউদব ফৈ। ব্রাফম্‌সি ফোঙ্‌দোক্লদুন কবিম্‌ খোঙ্‌লৈ থুন যাঙ্‌ন চৎখি।

ওহোকপনি মাগী মরাইবক্‌। শন্‌ অসিবগী মনাক্‌ নক্লব্রা হায়ববু প্রাইচিৎ ফংব তাবিব্রা? লৈতাফম্‌ খঙ্‌দে। শুফম্‌ নোম্ফম্‌ খঙ্‌দে। চাব থক্‌পগী ব্রাফম্‌ থোইন মঙোন্দ লৈতে। ইমুংগী মীশিংন হংবদসু

করিমত খুম্দে। মহাক্সিবু ঙাওরব্রা হায়বগী ৱাখল্ পোক্লরে। থীন্দন অলিগী মনাক্ত চৎলি অদুবু মহাক্ সু য়ূম্দ লৈরম্দে। মপাল্ লম্দ চৎথোক্খি, থা অম অনি হল্লক্খিরোই হায়রক্ই। ফিভম্সিদ থারম্রিব মতম্দি অসুম্ নক্শিল্লক্ তৌফম্ খঙ্দ্রে। তঙাইফদন য়ূম্গী মীগ তান্নরে-ৱাফম্ খুদিংমক্। করি তৌব য়াবগে খিরক্পদ ঐন হৌদোক্ই-
" লৈকায়গী মৈরাপাইবীশিং, ক্লবশিংগ কূপ্ন তান্নরসি। মতম্সিদদি মখোয়সু মপাঙ্গল্ ফন য়াম্ন লৈরবনি। মখোয়গী মতেং লৌদব য়াদে।"

অসুম্ন ইমুং মনুং কুপ্ন খন্নরব মতূংদ খান্ মাগী নূপীগী ৱাফম্দো য়ারে। চে-চাং থাজিন্দুন ৱাফম্দুগী মতাংদ লৈখায় তানব মৈরা পাইবীশিংন য়াম্ন ৱান হোৎনবীরি। নোংমত ওইদব ৱা ঙাঙ্খিদ্রব, মীগি য়াইফনব শিন্নদ চোক্থব লৈখিদ্রব খান্গী মরাইবক্ত তম্লিব্রসি ওহোক্ল চাউখ্রব লঙ্জবনি। কম্দৌনি পুন্সি মাগী খুদোল্।

ইখঙ্ খঙ্হৌদন শকখঙ্দব মীওই অনি নোংম ঐখোয়গী য়ূম্দ লাক্খি অদুগ হংলখি। মহাক্তি লৈতে করিগীনো হংলুরবসু অরুব নত্তে চুম্ন ৱারী অমগীনি পাউখুল্লক্ই। ঐন মহাক্তি য়ূম্ শাব চৎখি হায়রুবদগী-

-"মফম্দু অমুক্ত হাযবীয়ুবা।"

"চপ্ চাব মফম্দি ঐসু খঙ্জদে। তাক্পিগদব পুন্নমক্ ঐঙোন্দ শিন্নরম্ব য়ারগদি শিন্নবিরম্মু।"

হায়দোক্খিব চিন্বাহোংগী ৱাহৈদুন মশাদ অকিব খরদি ফাওদে হায়ব য়াদে। তথক্ তথক্লী হায়বসিমদি উহৌব কনাগুম্বশিংতন খঙ্গদবনি।

-"ফরে ঐখোয চৎখ্রগে। অথুব মতম্দ মহাক্ ঐখোয়গ উন্নদব য়াদে হায়য়ূ। মঙক্ কল্লবদি কয়া নুংঙাইরোই হায়ন তম্বীযুকো।

হৌরন্ন মৈদু হৌজিক্তি ঘী হাপ্‌চিন্নবগুম্‌ মৈচাক্‌ ৱাংন চাক্লক্‌ই। মীপাইবন চাফম্‌ থক্‌ফম্‌ খঙড্রিবসি খান্‌ মথক্ত নত্তে নূপী অঙাং য়াওরি। তাল্লক্‌সিদ নবাইদ হংঙি,

-"নহাক্কী অরাম্ব লম্‌চৎ খুদিংমক্‌ ঙসিদি হায়দোক্লব মতম্‌ লাক্লে। নহাক্কী হুরান্‌ চিহ্নি য়াওরুরবরা নত্রগ মীগী নূপী অঙাংদ কারন্‌ তারুবরা হায়বদু শেংন হায়দোক্‌পিয়ু। ঙল্লিঙৈসিদ মখোঙ্‌ কোন্দুন হায়জরুসি। ঐখোয়গী পুন্সিবু নুংশিবিয়ু।"

-"চৎখোক্‌খো চৎলো নূপী। নঙ্‌ মফম্‌সিদ লৈরনু। অদুক্‌ তুকৎচব ৱাফম্‌দুবু নঙ্‌ন ঐঙোন্দ..."

নূপীগী ৱাদুদ চৈহৎন খুন্নক্‌পদগী থম্মোয় পুব ঙব্রব নচেন মিৎলুদগী ফূইন হৌব পীরাংশিংদো অদুন নবাইগী থৱায়্‌দগীসু হেন্ন নুংশিখি। মহাক্কি লান্‌জদব মীঙম্‌দব মতৌদুন নবাইবু ঐন কয়াদ নুংশিখিব। পুম্নমক্‌ অলা মাদি শোইদন উরম্‌গনিকো? নবাইগী মচীশ দগী অসুম্ন থৌনা লৈন হায়রক্‌খি,

"পুন্সিদ অকায়্‌ব লীচৎ অমতসু চৎলুব লৈতে। মরাল্‌ লৈতব মীবু মরাল্‌ পীশিল্লগ খুদোংচাব লৌগে হোৎনরক্লবদি ঐবু হাৎকে হাৎচসনু। শিবগীদমক্‌ ঐ করিসু কিদে। অচুম্বগীদমক্‌ লেপ্‌কনি ঐহাক্‌।"

করিগুম্বদ ইপুরোইবন মরাল্‌ অম শীজীম্বিদুন মশাক্‌ খঙদবন নোংমৈন কাপ্‌তুন লম্‌হাং তুহাংদ হুন্দোক্লম্ব তারবদি ইচা অহুম্‌সি মরাইবক্‌ ওহোক্ল থিহৌরগনি। ইচা অহুম্‌গী চাক্‌খাউ মেন্‌শিন্বীনব কনা লৈরিবগে? ইচাশিং মনীং থুংহম্ব ঙম্‌দন মীৎলুদগী পিরাং শিহ্নদুন অদুমক্‌ লৈরগনি। শেৎপ চাবদ পীদোন্ন হিংখিব তাবনি। অসুক্‌ চম্ন হিংলিব পুন্সিসিদ খঙ্‌হৌদন মঙ্‌লাক্লবগ মান্নেদ। অশিবগী চৈরাক্‌

ফংজব নৎতন থম্মোয়নুংগী অৱাব চৈনাসে করম্ব মতম্দ কোঙ্কনি। লাম্সু লান্জদব ইপুরোইববু নম্দূন মরাল্ পীশিল্লীবশিবু কনান কম্ব ঙম্গনি। অলা নংতন লাম্বিগদবনি।

অচুম্ববু অরাম্বন নম্শিন্দুন কয়াম্ কুইন থম্খিদোইনো? অচুম্বন পোলোইদ মায় পাক্ই হায়বদু মতম্সিগী ওইনদি খ্বাইদগী লাম্ব ওইরবনি। অচুম্ব অশিব কনান লাইরম্রেন্দগী থবক্তুগী অচুম্বনি হায়ন মীয়াম্দ উৎপ য়াওখ্রবগে? খুন্নাইসিদ অচুম্বন অদুমক্ চুম্গনি হায়বদি লৈতেনে লাওদিন্ নচেদি অঙাঙ্শিংগীদমক্ খম্বদ ৱাবনি।

অহিংদুমসু কাউদ্রি। অচিক্প অহিংগী মতম্দুদ অলিগ লোয়নন মশক্ খঙ্দব মীওই মঙাগ লাক্মিন্নখি। মখোয় খূদীংমক্ মায়থোংদ তম্থীবগী শক্তম্ ওইন উই। নবাইবু ৱারী অমত শারুশি হাযদুন পুথোক্খিবনি। ইপুরোইববু কন্জনব কপ্ লাউব কয়া তৌখি। য়ূম্থংনবশিং তানব লাউগে তৌবদ নহা অমন নোংমৈ অতেম্ব অম পুথোক্লক্ই ''করিগুম্বদ ৱারী শান্নদ্রিঙৈ চরক্সিদ ৱাকায় ঙাংলব, লম্বীদ অফ ফত্ত থোক্লবদি নখোয়গী লাইবক্ থীব ওইগনি। নপুরোইবগী পুন্সি লোইগনি। অদুন ইতৈম চিন্ অনি শুব য়দেকো।''

ৱাহৈ খরসিন নবাইবু কম্বীনব তুমীন্ন লৈহৌখিবনি। অদুবু পুম্ন মক্তুন লংলা লংজিন্ ঙসিফাওব খঙ্দন লৈরক্প চহি ফাগদৌরে। পাঙ্গল্ শোম্বী নচেন করিদি তৌরুব ঙম্গনি। অদুবু নচেন হায়গদবদি ঐগী খন্দ্রবসু অঙাংশিংগী খল্লগ য়ূম্শিদ ঐগীসু য়ূম্ফম্ অমতদি শরুক্ পীবীয়ু হায়গে লাক্লিবনি। খঙ্দে মতম্শিগী ৱারী অমত শান্নসি থোক্খিব কয়ান মফম্ মরাং খঙ্দবসি অসুম্ অসুম্ মশিং য়াম্ব হেন্গৎলক্লি।

নাউয়োক্কোন্গী ৱারী

হৈকোল্ লৈকোল্তন সহর্সিগী মতাইদ মীমান্নদ্রব কয়াবু নাউয়োক্ নাওকোম্দুন থম্বীরি। মপাম্বোংদ চম্ন উজরবসু মনুংদ চংলুব কয়ানদি '*কংলৈ নাউয়োক্কোন্*' বু মচিন্দ ফজেদা হায়ন শোন্খিদব কনাসু য়াওখিদে। নীংথিরব মখল্ মথেল্ কয়াগী হৈরাং লৈরাংন ফুগাইন শাৎলি, মউ লিংলব উপাল্ কয়ান মালংগী ইপোম্দ তাম্বা নাইন জগোই শারী অদুগ মপী মপা লৈজদ্রব থৱায় কয়ান মনীংতম্ন শান্নরি, মীমান্নদ্রব কয়ান মশাগী অৱাব পূম্নমক্ কাওথোক্তুন কংলৈ নাউয়োক্কোন্সিদ মান মান ঙম্জব হৈজব কয়ান মালেম্গী অঙকপ শক্তম্ কয়া পুথোক্লব লেপ্তন হোৎনরি। পূম্নমক্সিগী লম্জীংব ওইন

কদায়দ করি শোয়খিগদগে হায়দুন অয়ূক্কী নুংথিল্গী নুমিদাংগী কুপ্শেন্ শেন্নরিব মনিন পুন্নমক্সিবু নুংশিন নাওকোম্বীরি। নুঙাইব ৱাখল্দ মতম্ লেম্ব মখে লেল্লুরগ কাস্মির্দ লৈব মাগী মখুৱা তোলোংখোম্ববুদি মাগী থম্মোয়ন পুক্নিংদ লাৎচবত নত্তন নাউয়োক্কোন্গী অঙাং অহল্খুদিংমক্পুসু অয়ূক্কী নুমিদাংগী ইৱাৎ থৌনি তৌহল্লি। ঙসি নাউয়োক্কোন্ অসিন হিংলিব অসিসু মখুৱা তোলোংখোম্বগী মপান্ননি।

শোইনাইৱবশিং, তোল্ল-তারবশিংগী ময়েক্ শেংদব শক্তম্শিংবু মনিগী কন্ভ্যস্কী লাইয়েক্ক অয়েংবশিংগী পুক্নিংবুদি অঙক্প পোক্হন্থি। অসুম্ন মাগী থবক্ ইন্থাং লোইৱগ নুমীদাংৱাইরম্ খীদিংগী মাগী লৈকোল্দুদ লাই য়েক্পদ কনাগুম্ব মীওই অমতসু মহাক্ক চংহন্থিদে। লৈমিন্নরীবশিংনসু মাগী পুক্নিংগী ইথিল্দুদ অয়েৎপ অমত পীদক্থিদমনি। অদুবু সনাহন্বীখক্তংদি পূম্ন মক্তুবু নম্খাইদুন মাগী লায়েক্ফম্দ চঙ্বগী অয়াবসি পীরি।

নুমীদাংৱাইরম্ খুদিংগী সনাহন্বীন মনিগী মনাক্ত লাক্তুন পুন্সিগী অৱা-নুংঙাইগী ৱারী শান্নবত নত্তন মনিদগী কান্নরব পাউতাক্ ৱারী কয়াসু তাদুন চৎখিবনি। মখোয় অনিমক্ মতম্সিগী মহৈ মশীংদ থাক্ ৱাংলব ঙাক্তনি অদুবু অশোম্ব অম হায়ব তারবদি মনিন শোইনাইব মীশক্ ওইৱুবতনি। মনি মমা পুক্কুংদগী মখোঙ্ নাম শোইনাইব ওইন ত্াইবঙ্ মপূন খুদোল্লক্থিবনি। অদুমক্পু মমাগী অচৌব অশোইব অমন ফিভম্সি য়ৌথিবনি হায়বসিমদি অপোক্প মপা অমদি মপাগী মনাওনুপা তোলোংখোম্বগী মচিন্দগী তাক্পীরক্থি। মনি চৈঙাক্ অম য়াওদন চৎনিংব মফম্দ চৎপ ঙম্রম্দে। মহাক্কী য়েৎথংব মখোঙ্ অদু মতম্ চুপ্পগী পেরালাইসিস্ ওইদুন

লৈরবনি। লম্বী লম্থাংদ লাইনাদু হৌরক্লবদি লম্বীদ হেক্তু ওন্ন থোইন খাঙ্জখি। উন্সা নপ্শিন্নবন লাইনাসিগী হৌরক্ফম্নি। পূম্নমক্ লৈদুনসু মনিগী পূক্নিংদ মাইথিবগী মমিদি ঙসিসু তাদ্রি।

মহৌশাগুম্ মনি ঙসিসু মাগী লৈকোম্দুদ করিগুম্ব হৌখ্রব ৱারী অমদ উংদুন লৈবগুম্ তৌরি। ফন কুইন উংলুরব মাল্লে। সনাহম্বীন মাগী মতৌদু য়েংদুন লৈরীবদু মাদি উদবগুম্ তৌই। মনিগী মনাক্ খর লাপ্তক্র সনাহম্বী নাপী মরক্তুন ফম্দুন নাউয়োক্কোন্গী ফজবশিং অমমম্ত য়েংলি অদুগ মরক্ মরক্ত মান খোইদাজব মনিদসু লোন্ন লোন্ন পামুন য়েংজরি। ফন কুইন উংদুন লৈরক্লবদুদদি ৱাখল্শিংদু থুগাইনব হোৎরক্ই,

-"অঙাংশিং ময়াম্সিন ইবানিগী ইতৌসিদ চেপ্থ চেপ্থ য়েংলিবসিবু নঙ্বু উদ্রবরা?"

মনি ৱাখল্ খংলাক্ লাক্পগুম্ তৌই অদুবু মমায়দুদি সনাহম্বীদ য়েংলক্তে। নুংতি নুমীৎ খুদিং তারব খোন্জেল্দুন মঙোশ দতদ মশক্ মুন্ন খঙ্লবনি। পাউখুম্ পীরক্পগী মহুৎত নাকোয়নন খুন্নক্ই-

-"নোক্লবীগদব, করেম্নবীগদবন শৌ শান লৈরব ঐখোয়গী খুন্নাইসিদ অতোম্ব, মীমান্নদ্রব অমনবু করি করম্ব পাঙ্গল্ ফুদোক্লুগনি। খাঙব তাবনি থেংন তাবনি পূম্নমক্ ইরাইবক্কীনি।"

-"নোক্মি নোক্মি মায়থোং, চম্জরব থম্মোয় কনাবুসু হূ লাম্দব থম্মোয় অমনদি তৎতন কাইহৌবিরী,তৎতন লক্লবীরি। হায়গদব ৱাফম্দি হায়বীদন মীবু শুম্ ৱাহম্ব। পাউখোঙ্ চম্দুন কয়াম্ কুইন থম্বিখিদোইনো?"

-"মদুসু ঐদি খঙ্দে। তাইবঙ্ মপূগী খূৎশেম্নি। নোংমদি

শোইদন কায়নখিনি হায়ব ঐখঙ্‌ই। নঙ্‌গী মীনুংশিগী লমহ্নুদি ঐন করম্ন কাওরুগনি।''

ময়া নক্ল ফম্নম্ব সনাহম্বী চঙ্‌শিল্লক্লুন মনিগী মচীন্দ খূৎন মেল্লগ হায়রক্‌ই,

-''নহাক্ল খল্লিবদু করিনো? নহাক্ল ঐসে ঙসিসি লম্নাম্বী অমগুম্‌থম্লীবদু করিগীনো? হায়য়ু নহাক্‌ঐবু নুংশিদবরা?''

-''ৱাহং অদুগী পাউখুম্‌ঐন কয়ারক্‌পীখ্রে। নহাক্‌মথোৎ কারক্‌পী, য়োইহেন্‌তাল্লিব নুজা অমনি। শক্ত চুদ শাবান্দ, মহৈ মশিংদ করিমত ৱাৎতে। পলেম্‌ পহৌন নুংশিন নাওকোম্বী অমনি অদুগ ঐন...। ঐগী পুন্সি মহিং নঙ্‌ন হেন্ন খঙ্‌লব নত্রা ? ঐন করম্ন...? মতিক্‌ মপা চাদন থা লাম্ব তারোইদরানে?''

সনাহম্বীন খন্‌জরীব ৱাখল্‌গী ওন্ন তৈনবদ করিসু থৌশাদব মতৌদুদ খূল্লক্‌প পাউখুম্‌দুন সনাহম্বীগী থম্মোয়দ তুম্ন থিম্বগুম্‌থিন্‌খি। অমুক্‌সু হংলক্‌ই,

-''নহাক্ল নশাবু অদুক্‌হহ্নন খন্‌জরিব করিগীনো? তাইবঙ্‌গী চৎনবী নহাক্‌কাওরবরা? নহাক্‌শাগী ৱাখল্‌খল্লিব করিগীনো? ঐসু থম্মোয় পাল্লিবনি। নহাক্ল ঐবু করিমত্ত খন্দ্রিব করিগীনো?''

ৱাফম্‌অসিদ মনি সনাহম্বীদু নুংশিন য়েংলগ হায়রক্‌ই,

-''সনাহম্বী! ঐহাক্‌নঙ্‌বু নুংশিদব নত্তেনে। ঐহাক্ল কিম্জরিবদি খুম্নাইসিনিনে। নঙ্‌সু ঐবু খুম্নাইসিগী মনুংদ হিংলিব থৱায়্‌নি। অদুগীসু মথক্ত ইমা পাবুংন ঐবু ময়া ওইব পাম্নম্লোইনে। নঙ্‌সু অমুক্ত খল্লুনে ঐন ঙসি ওইরিব ফিভম্‌সে খুম্নাইসিগী শাফুনিনে।''

মীৎম্না অনিমক্‌ নোংগৌবীগী অরাম্‌ থৌরাংব উবদ মপাছোংদি থোক্ত মীৎলুদগী ইহৌরক্‌প পীরাংদি কন্নানসু খাম্ব ঙম্নুদ্রে।

তনিক্ তনিক্‌প খোন্‌জেল্‌দ হায়রক্‌খি,

-''নঙ ঐগ নুংশিবদ ইমা পাবুংন করিসু অপন্ব পীরোই। মদুগীদমক্ ঐ চাওন লেপ্পি মনি। নহাক্ থাজৌ। নঙগী নুংশিবন ঐবু মতম্ পূম্নমক্ত ননাক্তগী মীকূপ্ অম লাপ্‌থোক্‌প ঙম্রোই।

মীকুপ্ অদুদ তাইবঙসে শেবাৎনখি। থম্মোয়অনিগী লংলা নক্‌শিন্নরক্লুন চেজেৎন কোন্‌শিন্নখি। থংনব মীৎকুপ্ত ৱাখল্ লাক্লদুন খঙথা থাদোক্লখি। থম্মোয় অনি ইকায়ব ফাওনখি। মীৎকুপ্ খরদি উচেক্ ৱায়াগী খোন্‌জেল্ নত্তন পূম্নমক্ চিক্লম্মী।

সনাহন্বীন তপ্ন হংলক্‌খি,

-''নহান্ কম্পুটর্‌গী এক্‌জাম্ অম য়াওখিবদুদি কম্‌দৌরে?''

-''শোইনাইবগী কোতাদ থাবনিনা মায়দু অদুমক্ পাক্লবনি। সেন্ত্রল্‌গী থবক্লি। লাক্লিব চৈচৎ ২০দদি থবক্ চঙনবগী রিপোর্ট লাক্লগনি। ত্রেনিং মনূংদদি নঙন ঐগী নাউয়োক্ নাউকোন্সে পুবিরম্‌গদ বনিকো।''

-''য়াথং অদুতং ঙাইজরক্‌প চহি কয়া কুইরবনো? নতাৎ তৌদুন শুম্‌হৎপীদুন থম্বীব নত্ত্রা। মসিফাওব ইকায় খঙদবী ঐন ইচিন্ কাংলুবগী হায়রিবীরিব নত্ত্রানে?''

-''ঙাইখোদা! অদূম্ন থন্‌গনু, ঐসু মতম্ ঙাইরিবনি মীমান্নদ্রব পুন্সি অমগীসু থম্মোয় অমদি য়াওরিবসি সনা অতোপ্পন খঙদ্রবসু নহাক্তি খঙবুয়ুকো।''

-''মনি! নহাক্ল ৱাহৈ খুদিং শোইনাইব, মীমান্নদ্রব তোইন পল্লিব করিগীনো? নহাক্ নূপা নত্ত্রা? নূপানবু অদুক্ ৱাখল্ পীক্লিব করিগীনো?''

-''মীমান্নদব ঐবু কনান মীমান্নে হায়গনি। শোইনাইব ঐবু

শোইনাইব হায়দন চুং ফিরাল্ চাব কনান হায়বীগনি। মসিদবু করি লোৎনিঙাই লৈবগে?''

-''ফরেনে অদো ঙসিদি ঐ ৱাহং অমত হংজগেকো। শেংন খুম্বীয়ু। অদোম্গী ইমা ববাগী মরম্ তাক্তে। ঐগীদি পূম্নমক্ নফম্দ অরোৎপ থম্দন হাজখ্রব নৎত্রা?''

-''চুম্মী। নহাক্কী নফম্দ ৱাফম্দো ঐ ঙসিসু লোৎলি। তান্জা চাব নুমীৎ ঙাইরক্পনি। ঙসিদি ঐহাক্ ৱারী পুম্নমক্ নঙোম্দ লিরগে। মীনুংশি লৈত্রব নূপীগী লম্চৎ নহাক্ খঙ্লম্দবসু য়াই।অদুবু নুপীগী লম্চৎ খঙ্ব ঐনদি নূপী খুদিংমক্পু তুক্কচরিবনি।''

ৱারীদু মুন্ন ময়া কাথোক্লুন সনাহন্বী তারি।

-''ঐবু পোক্প ইপাদো পুকচেল্ য়াম্ন চাওব, মীগী অৱা-অনা তাবদ মশাদ থোক্পগুম্ ৱাজব মীশক্নি। মীঙোম্দ পীজ পীথক্ তৌব, মতেং পাঙ্বদ হালেংদব মীশক্নি। অচাউরম্ কাব, নাপল্ তৌব মীওইশিংগী মায়োক্ত লেপ্খিব মীশক্নি। মীয়ামন কহ্নাই বাবুহায়্ন শক্খঙ্নরম্ই। ওফিস্ কাবদ হম্বর্ তোংদুন চৎলি। য়াম্ন চম্ব মওইনি। নোংমতসু ৱারেম্ ঙাঙ্ব ঐ থেংনখিদ্রি। লৈকায়্গী অশী য়না য়াওরক্পদ শেল্গী মতেঙ্ পাংলম্মী। চহী খূদিংগী মকোক্ মথঙ্ তারক্প মহৈরোইশিং, অফব শান্নরোইশিংদ পীক্লবসু মনা পীবগী হৈনবী থল্লম্মী। পূম্নমক্ অসিন ঐগী ঈপাবু শক্ঙ্দব মী লৈরম্দে। ঐগী অশেংব য়ূম্দি কৈশাম্থোংদগীনি। ঈমা ঈপা অনিমক্কী নাইতোম্ পোক্চব মচানি। অদূবু শোইনাইব মীশক্ ওইরুবন মথোয়্গী হরাওব মায়্থোঙ্দি লৈখিদব মাল্লি। ঐগী ঈমাদি মশক্ মতৌ য়াম্ন ফজে। অউব খূদিংমক্ক মিতাদব য়াওরম্দে। মহাক্কী অসিগুম্ব মতৌদুদ ঐবু মচানি হায়্বদ ইকায়্ব ফাওবগুম্ নোংমতসু মীয়াম্ তিম্ব মফম্দ ইখূৎ শম্দুন

পুৰিখিদে। অদূমক্পু ইখুরা তোলোংখোম্ব অমদি ঐগী পা কহাই বাবু অনিনদি ঐগী ৱাখল্ শোম্বখিনি হায়দুন মতম্ পূম্নমক্ত কূপ্শেন্ শেন্নদুন লৈ। চহী খূদিংগী খুন্গী লাই হরাওবদ খুরান থাঙ্-তাগী জগোয় উত্তুন মীৎকী অঙকপ পোক্হল্লি। শোইনাইরব মচা ঐবু লাইবুংগী মমাঙ্ ইথঙ্ হেক্ থঙ্বদ মোরা থাদুন ফম্হল্লম্মী। নোংমসু থাঙ্-তাসি কনাদগী তম্বনো হংবদ মোমোন্ নোক্ক নঙ্বু পোল্লিব ঐগীন ইয়াম্বসিন ঐগী ওজানি তাক্পিরম্মী।

মহে মশিং তম্বদ খুরান ঐবু থিন্দো্ থিন্জিন্ তৌই, চাক্ ঈশিং চামিন্নে। দিল্লি য়ুনিভর্সিতিদ এম্.এ. লোইশিল্লব মতূংদ খুরাগ ঐগ মতম্ খর লাপ্পখি। মহাক্ক জম্মু অমসুং কাস্মিরদ লেপ্টনেন্ট কর্নেল্ ওইন লৈরি। ঐবু য়ূম্দ অহল্ লমন্গী মতেঙ্ পাঙ্নব মতম্ পূম্বদ হোৎনবনি, অদুবু ঈশাগী লায়্না অসিন ঙম্খিদবনি।

নোংমসু নীশিংলি ঈমান য়াম্ন কেন মফি মরোল্ শেৎলগ থোক্লক্পদ অঙাঙ্ ওইরিব ঐন কদায়দ চত্তোইনো ঈমা হংলুবগীদমক্ তাবদ কিরব ৱাফম্ খোন্দা কয়া হায়রম্বত নত্তন তম্থিন ঐবু ফূবিরম্মী। ঙসি নোংমত মেলা য়েংলুগে খম্বনি, ওমঙ্গল্গী মশক্ ওইরব শোইনাইবসিন দাউ পূম্নমক্ চম্হল্লনি। মসিগী শোইনাইবসিমত শিখো হায়বনি য়াদে। মীমান্নদ্রব নঙ্দি লায়্রি ঐখোয় ফাওব হিংনিংদ্রবনিনে। মসি হায়রম্নগ মমাঙ্থঙ্ব কাদ শো লোন্শিন্দুন ঐবু থম্নম্নগ শক্হেন্বী ঈমা চৎখ্রে মেলাগীদমক্। নুমিত্তুন কপ্পমথৈ কপ্পগ তূম্থখিরম্মী। ককাগ হল্লক্প নুংথিল্ পূং অহুম্দ ঐন ৱাখল্ নুংঙাইতবগী ৱাফম্শিংদো খুরাদ পূম্নমক্ তম্নম্মী। মখাত্তান হংই খুরামচা ঐসিবু মখোয়্গী মচা নত্তরানে? অপোক্পীনি হায়রিব ঈমান

ফাওব অসুম্ন মিনুংশিগী ঈচেল্ ঈরিক্ অমত্ত ফাওব উৎপীদ্রিবসি করিগীনো? ঐগী ইশক্‌শে হেক্ উবগ ওমঙ্গল্‌গী মশক্ হেক্ হেক্ হায়্‌রিবসিন করিগীনো? শোইনাইরব মীমান্নদ্রব পুন্সি অমদ অসুক্ তম্‌থিব মীৎয়েং থম্লিবসি ঐদি তশেংন হিংনিংদব ফাওরেনে হায়রুবদ, 'করিগীনো নূপানবু অদুক্ থম্মোয় পীক্‌পদি। নূপা হায়্‌বসিদি অরাব কোঙ্গায় মায়রোঙ্ য়াদুন অচুম্ অরান্‌গী লম্বী তাক্লম্‌গদবনি। অরাব নুংঙাইব হায়্‌বদুদি হোৎনবগী মখা পোল্লি। পুন্সিগী কুম্মেদি তাইবঙ্ মহাক্কী কূম্মেনি। ফরে পূম্নমক্ কাউথোক্‌খ্রো, হৌজিক্ মেলা য়েংব চৎলুরসিকো।'

খুরানদি ঐগী মীৎলূগী পিরাংসি তাহন্‌গনু তত্তন হায়্। মীৎকূপ্ খূদিং মোমোন্ নোক্‌হন্ব মায়্‌থোঙ্‌দ থম্নব হোৎনরিবসি পুন্সিগী লাংওম্নি। ঐখোয় অনি মেলা মফম্‌দ চঙ্‌দুন মখল্ মথেল্ কয়াসু লৈরে। পিষ্টোল্ তার্গেৎ, লক্কি দ্রো, ষ্টেপিং রাউন্দ মখল্ মথেল্‌গী মশান্ন কযা যাওরে, কয়াসু য়েংলে। খুরান ঐঙোন্দ মখূৎ থিন্দুন য়েংউ হায়্‌রক্‌ই। য়েংলুব মতম্‌দদি মকে নীংথিন শেম্‌থিব ঐগী ঈমাদো মশক্ মতৌ নীংথিব মীজাও মীশাং, তৌগেত তৌব ঙম্ব শেঙ্গাও পায্‌ব মান্ব নূপাদুগ লেঙ্গোন্ন হাইরং হাইরং চৎখিবদু মীৎন কূপ্তবমখৈ যেংদুন লৈরম্মী।

মসিনি নঙ্‌গী নমাগী লম্‌চৎ। ঐগী ইয়াম্বদুন গ্রেদ্ ফোর্ ওইন থবক্ মচা অম তৌবসি মীৎ থাক্ থূপ্তে। মীয়াম্ন মমীংত তাবদ অকিব পোক্লব থিকাদার্ অমগী অতোম্বী অমগী অতোম্ব ওইন তৌব ঙম্ন হিংলিবনি। মচা লৈরি হায়্‌বগী মিনুংশিসু পোক্তব, মচা মরা লৈবগী ইকায়্‌বসু পোক্রব নূপী অমন খুন্নাইসিদ কয়াম্ কুইন হিংখিগনি। মনি। ঈমা ঈপা হায়্‌বসিদি মীৎন উব লাইনি। মখোয়্‌ন অরাম্ব কয়া যাওরবসু

মচা মনাও ওইব ঐখোয়দি মখোয়গী থৌজাল মখাদ হিংগদবনি। ঈমা ঈপা য়াওদন ঐখোয় হিংব ঙম্লোই। মরম্ অদুন পূক্লিং ফাথব ঙম্‌গদবনি।

নুমিদাং পূং ৯ হেল্লব ফাওবদ ঈমাদো হল্লক্লম্‌দে। ঐখোয়দি চাক্ ঈশিং থোংদুন হাউন চারে।। অদুগ পোত্থারসি হায়দুন চঙ্নরম্মী। পূং ১০ হেল্লক্‌পদ ঈমাদো তপ্ন চঙ্‌লক্‌ই। মশাদি নিশান তোল্‌হাইনরে।

খুরা তোলোংখোম্ব দিল্লিদ মাষ্টর্ তম্ব চৎখিবদগী অদুম্মক্ য়ুম্‌সিদ হল্লক্‌কিদ্রে। ঈমাগ ঈপাগগী লান্ন মৰা মনিল্ নাইদুন লৈকায় কুম্মৈ ওইরক্লে। ময়াই কাব চীঞ্জাক্ল ঈপাগী পোত্থা চীঞ্জাক্ ওইব হৌখ্রে। ঐসু হিংখিবনি মখোয়বু নুংশিবথক্কী ৰাহল্লোক্ত। মখোয়গী মিনুংশিদি ফংদবগুম্লে।

ঈশা ফাওব লেঙ্ব ঙম্‌দ্রব ঐন য়ুম্‌গী থবক্ ইন্‌খাঙ্ কোল্ লীক্ ৰাইরম্ ফাওবদ ঐগী শরুক্ ওইরবনি। ঈপান ঐবু নুংশিবগী অৰাব অদুগ ঈমান পীরিব চৈথেং কনাদসু উৎত্রে। ইমূং ঈংন চীক্ল লৈনব, ঈমান ঐবু ফুবিদনব। মতাঙ্ অসিদ মেলাদ থেংনখিব মাগী মরূপ্তু তোয়্‌ন লাক্কুন য়ুম্‌সিদ শানৈ য়ুনৈব হৌখ্রবনি। মখোয় অনিগী ৰারীদ মীহাৎ মীপূন্‌গী ৰারীত তৌই। ঈপাবু হাত্তোক্লসি অয়েৎপ পীদনব ৰাফম্ অসি লম্লাম্ব নূপাদুন ঈমাদ তোয়্‌ন হায়্‌ব ৰাহৈনি। ঈমান মতম্ খর য়েংখিসি খাম্‌জবনি। অদুগ অমরোম্‌দ শোইনাইরব নচাসিদি কম্‌দৌসিবা হংবদন ঈমান খুম্মী, 'নঙ্ ঐগী পাউখোল্‌তসু কান্নরিবসি নঙ্ খঙ্‌দবরা? মাবুদি মিনুংশিগী মীৎয়েংদগী কল্লসি।

ঐন তাবদ কিরিবসি ঈমাগী মিনুংশিগী ৰাহৈশিংদুনি। অদুগুম্ব ৰাঙাঙ্ য়াদে হায়বগী মহুত্ত কম্বিরসি, মতম্ ঙাইসি হায়রিবসি

করিনো? মখোয় অনিন নুমিদাং পূং ৮ ফাওব চারম্ থক্লম্বশিং অদু ঐন ঈপা লাক্সিঙৈদ ফেংদোক্ চাম্থোক্প লোইশিন্নব হোৎনৈ। মসি তৌদ্রবদি ঐ শিবসু য়াই। ঐ মতম্ খরদি কূম্মে য়েংব পাদ্রি। অদুন ঐন তৌরিবসিফাওব ঈপাদ খঙ্হন্দ্রিবনি।

মরক্ মরক্ত থারক্প ফাউন-চে গী পাউখুম্ হব্বিখিদে। টেলিফোন্ তৌরক্পসু রিসিভ তৌবিদবনি। ঐদি তশেংন শিব কিবদগী খূৎ তেক্লে, মীৎ তাঙ্লে। মপী ঈরা চেল্লদুন মনিন লীরিব বারী সনাহব্বীসু নীংশা ফাওব মখোল্ লাউহন্দন হোন্দুন তারিবনি।

ঐগী ঈমাগী মরূপ্ ওইরিব নূপাদু উরিপোক্তগী মীয়াম্ন শক্ খঙনরব থিকাদার্ বির হায়্বদুনি হায়্বসি ঐসু মখোয়্গী বারীদগী খঙ্লে। ঙরাঙ্ ঈমাদ পাবুংন মথূৎন খর থারুই,মদুগীদমক্ ঙসি থিকাদার্ নুংথিল্ পোবোপ্তগী লাক্লুন শানৈ য়ুনৈব হৌরে। ঐগী ইমাঙ্দ তৌগে মতাগুম্ মখোয্গী যুদো ঐঙোন্দ হৈহন্খি। তবা তবারব ঈমাগী মশাদ লল্লান্ব নূপাদুন নাব্বোই, শোক্পোই, থেংবোই, মতৌ লৈব খোঞ্জেল্ উত্তুন মাগী মখজাইদ চুপ্পদু উরুবদ ঐ শিব কিরক্রে খূত্ত পায়্রিব হৈজ্রোংসিন থিল্লসিরা নৎত্রগ ঐগী খোঙ্গী চৈঙাক্ অসিন লবাইদ থোন্নসিরা খল্লক্পদ অইংবী অতপ্পী লাইরেম্বীন পূক্লিং ফাথবিরে। ঐগীদমক্ খুরা লৈরিকো খন্ন তূমিন্ন হৌগৎলগ ঐগী কাদ চঙ্লম্মী। ঙসিদি মহাক্ অহীংদু লেল্লনি হায়্বগী মওংনি। ঈপাসু থেঙ্লব ফাওবদ হল্লক্ত্রি।

থোক্খিব থৌদোক্ মচা মচা ময়াম্দুন ঐবুদি মীকুপ্ অমত তুম্থৌ হায়ব য়াদ্রি। অদুগ থংনব কাদগী তারক্লীব নুংশি হৈতব হৈতবী অনিগী খোঞ্জেল্ মরক্ মরক্ত নোক্লীংবসু ফাওরিবগুম্ রাশি যাওদব মীনোক্ন শোইনাইরব ঐঙোন্দদি কাইহৌরি। মরক্ মরক্ত খল্লক্প

য়াওই, ''হে শোইনাইব খোঙ্! নঙ্ন ঐঙোন্দগী করি পাল্লি।''

তুম্থব য়াদ্রব মীৎসিন ঙাইহাক্তি তুম্নুরব মাল্লে। মীৎকুপ্খরগী মতুংদ তম্থিরব খোঙ্জেল্দ ''অয়ো! ইপাগী মনি। নপা ঐবু কল্লুনে'' লাউরক্খি। মঙওই হাওই ফূগ্ হৌগৎপদ ইপাদো ইমাগ লম্লাম্ব নুপাদগন মখৌরিদ মেৎতুন লৈরম্লে। ঐগী পাঙ্গল্ ফুদোক্ফম্ করিসু লৈতে। ঐহাক্ ইশাসি থক্ থক্ নিক্লদুন ফমুংদ ফম্লম্মী। মোন্ন ইপাগী মায়দ খুম্লগ গুন্দা অদুন ইমাদ হায়রম্মী মনা মনিল্ নাইদনব শোইনাইবসিসু হাৎলসিরা হংলম্মী।

''মথংদ তৌরসি। মাদি ঐগী খাউপূ-মনাই ওইরিবনি ফরে অদুদি অশিবসি থৌরী য়ান্শিন্বিরসি হায়দুন থৌ ফরব ফরবী অনিদুন টি:ভি লৈরিব অৱাং থংব কাদ য়ান্শিন্বিরে। অদূ লোইরগ ঐন তুম্লিব কাদ লাক্লম্মী। ঐগী মিহুল্ অপাইবী ওইরে। ঙসিদি ঐসু লোইব তারমাল্লে।

কাঙ্খল্ হাইদোক্ই, ঐসু ইশি শিন তুম্ব শাই, তূম্খ্রলালেনে। মাদি করিমত্ত খঙ্লিরোইকো হায়রম্লগ মখোয় অনি কাদ চঙ্দুন অমুক্ তুমিন্নখ্রে। কয়াদ থৌনা ফরিব নূপা নূপীনো? নোঙাল্লম্দাইদ গুন্দাদো চৎখ্রে। নোংঙাল্লগ ইমান কপ্ লাউব তৌদুন তেংথা নাওইরি। লৈকায় মীয়াম্সু চঙ্নরক্লুন মীশিদুগী মতাংদ হংনরম্মী। অদুদৈ মীয়াম্দুন মীশিদু মরম্ চাদে পোস্ট মোর্তেম্ তৌসি হায়বদ ইমান কৈদৌরুনি অশিবন শিখ্রে করিগী তৌরুগনি হায়দুন ঈমাগী শিথ শিথ কপ্পদূ লৈকায়গী মীয়াম্ন শূক্থা থাজদে। অদুন মীয়াম্ন লোন্ন ঐঙোন্দ হংলক্ই, ''নঙ্ পাবূংদু খূৎশি চাদেহে, নঙ্বু থৌদোক্লু খঙ্হৌব্রো?''

ইচিন্সিন ঈমাগীদমক্ ১দি ঐ ইশাগী য়েংলগ হায়দোক্খিদে। অদুন মীয়াম্ন থম্মোয়দ নীংব কাইব ফাওনখি। ঐন যুম্লিব ফোংদোক্লি

ংবশিংদু খুরা তোলোংখোম্ব লাক্‌প ঙাইজবসি অবাবনি।

লান্ন-থৌরম্‌শু লোইখ্রে। ফংফম্‌ থোক্‌প এল্:অই:সি গী শেন্‌শিং বেক্কত থম্লম্ব শেন্‌ফম্‌শিং অদু ঈমাগ গুন্দা নূপাদুগ মান্ন মান্ন লৌথোক্লম্মী। গ্রেড্ ফোর্‌গী থবক্কুসু ঈমাগীদমক্ লম্লাম্ব নূপাদুন হৈ শিংন শীন্বিরম্মী। খুরা লৈরম্লবদ মীন লাক্‌চরম্‌গদ্রা?

অদুক্ লুন নুংশিন ঈপান তৌরিব ঈমান করিগীদমক্ ঈপাবু নুংশিদ্রিবনো হায়বগী মরম্‌ থিজরুবদ খঙ্‌লে- মদুদি ঈমান লৈশারিঙৈ মতম্‌দ উবিপোক্কী গুন্দা বীরগ নুংশি লম্বীদ খম্‌থেংন নুংশিন্নরম্ব জাৎনি। পুন্সি লম্বীদ ফাওব য়ৌরক্‌খি হায়। অদুবু ঈমাগী মপাম্‌গী ঈপু ঈবেন্‌শিংন মরম্‌ ওক্‌ই হায়দুন ঐবু পোক্‌পীব ঈপাসিদ পীখিবনি মরম্‌ অসিন ঈপা হাৎতোক্‌খ্রগ গুন্দা অসিন ইমুংসিগী সুপ্রিম্‌ লইন চলাইরিবনি।।

খুরা জম্মু কাশ্মিরদ আই জি পি ওইন থবক্ তৌরুবদগী ঙরাংদি ঈমান ওফিস্‌ত চৎখিঙৈদ লাক্লম্মী। ঐন বারী পূম্ব খুরাদ লীথোক্লে। নুমীতুমক্কী নুমীদাংদ খুরান মাগ লাক্‌মিন্নব শামী লাম্মীগ লোইনন গুন্দাগী খোঙ্গূল্‌ লিরুনি চৎখি। নোংঙাম্বগী পাউচেদ য়াওরক্‌ই,

''নূপীদ মশাগী অহৈব পূম্নমক্ উৎথোক্‌প থিকাদার্‌ শক্‌খঙ্‌দব মীওই খরগী মখূৎতগী শিনিংচিৎত হিংহৌরে..।''

নুমীৎশিদ ইমান কনা কনা লাক্লম্মী, নঙ্‌গী নখুরা লাক্লম্বরা হংবদ ঐন মশাক্‌খঙ্‌দব মী খর লাক্লম্মী। ঈমাবুসু হংই। নোংমৈসু লোইন পাইরক্‌ই খুন্নুবদ মা থিরুগে চৎখিবদগী হল্লক্‌খিদ্রে।

নুমীদাংদ খুরা লাক্কুন মহাক্ল পীক্লিঙৈদগী ইবুধৌন লিংখৎলম্ব ''নাউয়োক্কোন্‌''দ লৈত লাইর মযাম্‌গী লুচিংনব হায়দুন ঐবু থম্লম্মী।

মসিদ লৈরিব অঙাংশিং অমদি অনৌব লাঙ্ক্‌দবশিংগী শীজিন্নবগীদমক্ত লূপা লাক্ক অহুম্‌ইউ, বি, আই দ থল্লম্মী অমদি খুরান ঐগী মিংদ থা থাগী শেন্দোই লৌনব ঙসিফাওবদ নীংব কাইরব পুন্সি অমদ হিংলিবনি।

ঈহে, নুমীৎ তাখ্রেদো। নহাক্‌ চৎলো থেংলে হয়েংমুক্‌ থেংনরসি হায়দ্রুন নাউয়োক্কোন্‌গী মচাশিং অদুগী মনূংদ চঙ্‌লক্লম্মী। অহিংগী থরায়্‌ কয়ান মখৌ তৌব হৌনখ্রে।

কনাগী মরাল্নো

চহী হুম্ফু হেল্লব ফাওবসি করিগীদমক্ রিম্স্কী ক্বার্টর্সিদ লেল্লিবনো হায়্বসি থম্বাল্সনাদি খঙ্লম্দবসু য়াই। নোংমতসু মপূরোইবদ হংগে হায়্নসু খল্লুদে অদুগ হংসু হংলুদে। মচাশিংনদি মমাদ তোয়্ন হংলক্পদ পাউুম্ পীফম্ খঙ্দ্রদুন মফম্সিদন থবক্ ইন্থোঙ্দ খুদোংচাব মফম্লি হায়্দুন লৈরিবনি হায়্বসিদগী ইহেন্ হেন্দন লৈরক্পনি। মনেম্বোক্ল থম্বাল্খোংদ মাগী থাগী ফংলক্প শেল্দুদগী খর খর তূংশিল্লগ ইঙ্খোল্ মতেক্ অম লৈশিন্দুন লৈরক্পনি। থম্বাল্সনা মপূরোইবদগী খঙ্ব হায়্ববু মনেম্দো রিম্স্কী নর্সষ্টাফ্নি, অদুগ মকু ইবুঙোন ইঙ্খোল্ কোইব, লৌ-শীং উব নত্তন

সরকারগী থবক্ থোইদোক্ল তৌরম্দে হায়বসিনি। মচীন্ মনাও অনি পোক্ই অদুসু ফাইবোক্লি। অমন মপূরোইবনি অদুগ অমন মচেনি। মচীন্ মৌপুৱান হিংবদ নুংঙাইনবগীদমক্ লৌ শঙম্ অনিশু লৌশিং দুন থম্বীরবনি। মমান তত্তন শিন্নরম্ব ৱাফম্দি নূপা নূপী হায়বগী খেন্নব করিসু লৈতে অদুন ঐন থল্লম্ব চাক্থূং খূদিংমক্ চপ্ মান্নগদবনি হায়বসিনি। মহৈ মশিং মতিক্ চান হৈহন্বত নত্তন মতিক্ চাব মী অমমম্ ওইহন্ব হায়বসি মতম্দুগী চৎনবীদগী খর নাথৈরবসু ঐখোয়গী ইনেম্দি ৱাখল্ লৌশিং ফজন ফংলবী ঈমানি হায়বদ ঐ ফাওব য়ানিংব লৈখিবনি। অদুন মচানূপী ইবেতোম্বীবু বি. এ. ফার্ষ্ট ইয়র্ লোইরক্পদ নর্স্ তম্গদবনি হায়্‌ন মিং চন্নব ৱাফম্ থল্লক্পদু ইচেনদি কয়া যানিংখিদে। মদুগী মহুত্ত মহৈ মশিং মতিক্ চান তম্খিগে হায়বদ করি হায়রুনি। মচীন্ মৌপুৱা মহৈ তম্বদ মচেন লাইরিক্ত খর থৱায় য়াওশিন্ব হেল্লি। লাইরিক্ হৈবসু হেল্লি হায়বসিমদি কক্লিংঙাই শুক্লে লৈতে। অদুবু মমা মপাগী অপাম্বগী মায়োক্ত ইবেতোম্বী মাগ নুংশিনজব নূপাদ মযূম্ পান্থোক্খি। লাইরিক্ খর তম্লিংদব ঐগী ইপূরোইব চাউরেল্গ ইকূগন য়ূম্গী কূপ্লোম্দ মায় ওন্সিল্লক্খি। মরূওইন ইকূন হেন্ন চাউব থৌদাং লৌখি।

ইবেতোম্বী হোৎনব কঞ্জরবসু মাগী নূপাদুদি নুতি নুমিৎ খুদিংগী লম্জাওদ ফম্ব, লৈবূং ৱারী শান্নবন মথৌ ওইদুন মপাম্দ তোয়্‌ন হল্লক্পী মিংথোল্দু পীবিরবনি। অদুম্পু ইকূ ইনেম্নদি লৈকায় মমাঙ্দ ফজদে হায়বদগী লৈত লায়্‌র মতেঙ্ পাংনব হোৎনরবসু মনীং য়াওদব তুঙ্গোল্গ পাঞ্খক্লি। লায়রব অম ইনাক্খুন্ব চাম্মন য়েংশিন্ব ঙমদে হায়নবদুনি। ইকূ ইনেম্সু অহল্ চহী যাম্সিন্দ্রবসু মমৌগী সেবা পাল্লক্প মতম্দু লাক্লদুন চাউরেল্দ যূম্ পাম্বগী ৱাফম্ য়াম্ন তোয়্‌ন হৌদোক্লক্প

য়াথংনি। চাউরেল্দি নূপী মশক্ ফজবদ য়াম্ন থব়ায্ তাজব মীশক্নি।
মহাক্ন নূপীদগী করিগুম্ব মথল্গী লন্ থুম্ অমত্ত তাংজব পাম্দে। অদুমক্ন ফজব শক্হেন্বী থিবদ মহাক্ নাচুংব করিসু লৈতন থিরম্মী। নহারূপ্ পাঙ্গোংদগী চহী য়াম্ন নৌরিবী শক্ত চুদ শাবান্দ করিসু ব়াত্তবী অইংবীবু মাগী লোয়্নবী ওইরগে খন্ন পুরক্খি। অদুবু অইংবীগী মবূং কিসন্নদি মচন্নূপীবু অচৌব মী ওইহন্ব পান্বদগী অমুক্ ফাদোক্নখি। মীয়াম্ন শক্খঙ্নরব দি. এস্. পি. কিসন্গী থৌওংদুন চাউরেল্ হায়্ফম্ খঙ্দন অব়াব অম পীরবগুম্ তৌখি। হৌজিক্ অমুক্ অইংবীবু নম্দুন লৌনব হোৎনরকক্পদ কিসন্ন মরাল্ অম পীসিন্দুন চাউরেল্বু কৈশুম্শঙ্দ থা মঙা থম্জিন্খি। মমৌ পান্নুবগী মতৈ মনাও করিনুংগীনো খঞ্জব হৌরক্খি। মচাগী ব়াখল্দ ব়াখল্ লায়্নান মমাদু মচীৎ মচীৎ নাব হায়্বদু ওইরক্খি। ঐগী ঈমাগ চাউরেল্গী মমাগ মতম্দুদ য়াম্ন লুন তিন্নদুন মতা শান্নরম্মী। মতম্দুদ নচা ইচা পীনসি হায়্নখিবদগী ঐসু ইমাগী য়াথং ইল্লদুন মৌ অম ওইন লাক্খি। ঐন যূম্সিদ মৌ ওইন হেক্ লাক্প চহী ফাদন ইনেম্দো হোস্পিটাল্দ ওপরেসন্ তৌবদ শিথ্রবনি। লাইব্ থীব মপোক্ হায়্বদু ঐগী ইরায়্বক্ত তম্বীরম্রে। মীওইবগী পুন্সি তম্ব ঙম্দে হায়্নব লৈ অদুবু হৌজিক্কাল্গী লায়েংশঙ্দ মথৌ তৌরিব দোক্টর্শিং অসি মথৌদি অহীং নুংথিল্ নাইদন তৌরবসু মমীত্ত শেল্বু হেক্ হেক্ উরক্পদ অরায়্ব লায়্না ওইরবসু অরুব লায়্না ওইদুন কম্ব ঙম্দব কয়া য়াওরক্পসি লাইবক্ থীবনি। অসিগুম্ব শরূক্ ঐগীদসু থুংলবনিকো খল্লুবদ পেন্দবগী মৈখূ ঙসিসু থম্মোয়্ লকাদ খুরিবনি।

ঈমাহল্ন লৈখিদ্রব তুংদ ইকূ অতোপ্প নুপী অম অমুক্ থৈরক্পদ ইচীন্ ইনাও ঐখোয়্ পূম্ব মিপাইবত নত্তন লৈকায়্গী অহল্

লমন্, ঈমা ইবেন্‌শিংন ফাওব মরায়বক্ থীরনিদকো চাউরেল্‌দি। নূপা নূপী অনিগী হক্ মাম্নে হায়বসি নত্তন নূপাগী মখা পোন্ন হিংব নত্তন ঙসি ফাওবদ নূপীন মনীং তম্ব য়াব হীরম্ অমতদ লৈতে। লৈরক্‌খিনি হায়বগী থাজবসু থোইন লৈতে। নূপান নূপী লোম্বগী মশীং য়াম্ন লৈ, খুন্নাইনসু শৌগৎলি। মপূরোইব লৈত্রব মতূংদ লুখ্রাবীন ময়ূম্ পাল্লক্‌পদ মীয়াম্ন ফন ঙাঙ্‌বীদে। নূপা লৈব নূপী পাল্লবদি ঙাঙ্‌নীংব মওংদ ঙাঙ্‌বদ ঈপক্ পক্লে, ইচান্ চানৈ। মসি ঐখোয় স্বাইগী চৎনবীগী মনূং চল্লি। নুংঙাইব পূংফম্‌গী নুংঙাইব চাক্‌থুং নূপাগী শরুক্নি। অৱাব পূংফম্‌দ মীচৈগী শরুক্তন নূপী ঐখোয়্‌গী শরুক্ চাউন তম্বী। নূপা য়াইফন হিংনবগীদমক্তদি নূপীগী মতেঙ্ ফংগনি, নূপীগী নুংঙাইনবদি নূপাদগী ফংব ৱায়্। নূপীগী ফংব য়াব অফব মিংথোল্ অমদি লৈকায়্‌ন, খুন্নাইন, লেবাক্ল খাক্তুন থম্লি। মসি কৈদৌনূংদ নাম্বোক্‌প ঙম্লরোই। করম্ব মতম্‌দ -... মচাদুন অফব ওইরক্‌প মতম্‌দ।

মেম্ম হেক্ কৌরম্মী ঈমাতোম্দো। মাদি অতোম্বীগী পারাসি হান্ন নীংথিন তম্লক্লমাম্লেনে। ইচন্ নূপী ইবেতোম্বীদি ঙন্ন য়ূম্ পাল্‌হৌব ওম্বোক্ল তান্ চাখরে। নূপা ঐন ফাওবদ ঈমাতোন্‌গী ইশৌ ইম্বদ কচ্ছি হৌরবদ ঈচেদুদি ...? ফৈ ফৈ শেংন ফৈ। মাতোন্‌গীদমক্তদি লাইন ওম্বোক্ল চাম্বিখ্রে। চহী অনিসিদ নূপা অম, নূপী অনি হেক্ত খূদোল্ তম্বীরক্‌ই। হান্ন মাঙ্‌জৌনন পুরক্লমাম্লে। পাবূংসু ঈচে অমসুং ঐবু লুন তৌরম্বদাইনে। চাগনি থক্কনি খঙ্‌দন মচা ঐখোয়্‌নিগীনি হায়বদ থৱায়্‌ফাওব থাব পাম্মুদবদুন ঙসিদি ঈমাতোন্‌গী ব্রজদগীসু হেন্ন কম্ব ৱাহৈ মরক্ত মিনুংশিগী ওইব ৱাহৈ অমত্ত য়াম্সিল্লক্তব হায়বসি ঈমাতোন্‌গী হৈশিংবনি হায়্‌ন লৌরোইদবগী মরম্ লৈফম্ থোক্‌পরা?

নোংম পাবূংদ ঐন হংই, 'পাবূং ঈচন্‌নূপীসু মরায়ৱক্ থীদুন

অব্বাব তারে। মপূরোইবদুন ওক্তবদগী চহী নৌন লল্লোন্ ইতিক্ থোক্লে। লৌ ইঙ্খোল্ কোইদুন য়ূম্দ লৈজনব ঈমান থম্বীরম্ব লৌ ইঙ্খোল্সি ঈচন্গী মিংদ ওম্বিরসিদনা?'

-''কদায়দগী, কদায়দগী!'' হৌজিক্তি নখোয় অনিত ওইদ্রে।নঙ্ন ননাও অপিক্পশিং অসিগীসু খন্দব য়াদবনি। মাদি মশা ব্রাজগে ব্রাজবনি ঐন নত্তেদনা। হৌজিক্ ঐসু চহি মতাংসিদ থবক্শু শুব ঙম্দ্রে। হন্ন থবক্তুদং নমাতোন্দ হন্জিন্ব য়াম্ন কন্ন চেন্নরিবনি। মসিনবু য়ারবদি খরদি শাফরগদবনি।''

পাবুংগী ব্রাসি তাবদ পূক্নিংদ নোক্নিংবদুম্ ফাওই। ব্রাবন মকোক্ত খূৎ হাপ্লব ইচন্গীদি করিসু খন্দন ঙরাংত লাক্লিব ঈমাতোন্দ ঈমাগী র্নসগী ফম্সিসু শীনবীনব হোৎনরীব। ঈমান লৈশিন্দুন থম্বীরম্ব লৌ-ইংখোল্সু ঈচন্গ ঐগদ য়েম্লোক্তন ঈচন্দ পীদন ঈমাতোন্গী মচাশিং চাওব ঙাইব তারিব? অদুনদি কৈদৌব তাই রিম্স্ত থবক্ তৌমিন্নরম্বী মাগী মতাদুগ তান্নদব য়াদে। ঈমান পাম্জরম্ব মমৌদুগী খোঙ্গুল লিরুদব য়াদে। ঐ নূপী থীদব য়াদবনি।

রিম্স্ ব্বর্তির্ টাইপ্ ১দ লৈবী কিম্বোইখোয়দ চৎলে। ঐবু উবদ ঈমা কিম্বোইন হরাওন কৌরক্লম্মী,

-''ঈচানুপা চাউরেল্। উখিদব কুইরেদা। নঙ্দি নোংমতসু কোয়রক্তবনিনে। ঐদি থবক্ নংনব হোৎনবদ লাক্পসু শঙ্দে। ঈতা হেক্ লৈখিদবদগী ইবানি লেপ্পখিব ব্রারীসু লোইশিন্ব ঙম্দবদগী থম্মোয়দ ব্রারীদুন লৈবনিনে। নঙ্দি খঙ্লম্রোইকো। অদুন তুম্মীন্ন থম্মোয় মনুংদ থম্বনিনে।''

-''খঙ্ঙী ঈমা! মদুগীদমক্নি ঐন লাক্চরিবসিসু। ঈমা অনিন হায়নখিব ব্রাফম্শিংদো কম্দৌসি হংজবনি ঈমা।''

-''নঙ্‌বু অদুবু খঙ্‌বরানে? লাক্‌ও চা থক্‌খিসে। ৱারী ৱাতাই নীংথীন শান্নরগ হল্লু।''

কিম্বোইন মমাঙ্‌ থারদুন চাউরেম্বু লম্‌জিংলি। থম্মোয়দ হরাওবগী মমি অমমম্‌দি তারি। ৱাঁটির্‌গী মমাঙ্‌ থঙ্‌ব কাদ থারিব লীন শাব চৌক্রিদুদ ফম্‌থরগ ইমুংলোম্‌দ ওন্‌শিল্লগ,

-''ঈবেম্ম চা অহাওব অনিত শেমক্‌উসে। নঙ্‌ দদা লাক্‌এ। ৱারী শান্নসি নঙ্‌সু থোক্লক্‌উ।

ৱারীসি তপ্‌থদুন লৈবন কান্নররোই অদুন তম্দন হৌদোক্‌পন ফরবনি খম্দুন চাউরেন্ন হৌদোক্লক্‌ই -

''ঐখোয় ঈপাদু নূপী অতোম্বী থিরক্লুন মচা অহুম্‌ য়াওখ্রে হৌজিক্‌ মচা পোক্‌খিগনি হায়রি। অতোম্বীগী মচাদন মীনুংশি উৎলগ ঐখোয়দন থোইন নুংশিব উদে। মখোয়ন ঈমাগী থাগি পেন্সন্‌ লৌরি। অদুগীসু মথক্ত ঈমাগী পোস্ট শিন্নব কন্ন চেন্‌ চোঙ্‌লি। মখোযন ঐবু করিসু খঙ্‌দব অমনি খম্দুন যূম্‌ পান্নব হোৎনরি। ঐবু পোক্‌পীবম্ব ঈমান যূম্‌ পাম্বগী মতাংদ ইতাদ শীন্নরম্বনি তাক্‌পীরম্মী। চাউরেল্‌ন চাউরেল্‌ন কিম্বোইদ মতেং লৌব য়ানব হায়জিম্বনি।'' ৱাফম্‌দু তাবদ কিম্বোইন খুন্নক্‌ই,

-''চুম্মী, চুম্মী। ঐগী ঈচা অতোম্বী থম্বাল্‌সনাসে নঙ্‌গীদমক্‌ ইতান হায়নদুন থন্নবনি। মহাক্‌ জি.এন্‌.এম্‌ লোইদুন র্নসকী থবক্‌ তান্নরীবনি।''

মতৌ অসুন্ন মচাদৌন খম্ব ঙমদ্রব ঈমাতোন্‌গ, মাগী মীচংদ অপোক্‌প মচাবু লন্নাম্বদৌন খম্ব ঙন্নব অনিদগী লাপ্ন রিম্‌স্‌কী ৱটর্‌সিদ লৈরক্‌প চহি তরা হেন্নবনি। অপোক্‌পী ঈমান তান্‌শিন্‌জরম্ব মরন্‌শিংদো মখোয়ন মতোং চাব তাখ্রে অতোম্বীগী মচাশিং

নুংঙাইনব হোৎনরম্বগ চপ্ হেক্ মান্নখ্রে। ফজনবী নীয়ম্ অমগী মখাদ পূন্ন হিংমিন্নবগী ৱাখল্ ঈমাতোন্দ চেল্লম্লবদি অৱা নুংঙাই তাথোক্ তাশিন্ তৌমিন্নরম্ব য়াবনি অদুবু হৌজিক্তি নূং অতেক্পগ পাঙ্খক্ ওইখ্রবনিনা মখা তান ৱারী শান্ননিঙাই লৈত্রে।

মখোয়গী ৱাখল্দ ময়ূম্ মকৈ পাম্বীদুন মতূ মচা হিংব ঙম্নব থবক্ অমদি তৌহম্বীরেদনা। হিংব ঙম্ননি পোক্পীবগী লমন্দি তোল্লরোই। মহাক্ন মমানি মপানি খন্দ্রগন মশাগী মশক্নক্। মীঙোন্দসু অমুক্ পাউদল্লি, ঈ মশক্ খঙ্দব, ঙা তুঙ্গোল্ অমন চাউরক্প নত্তে, ঙান শেন পোক্পীবগী মমা মপাগী লমন্ শিংব ঙম্পোত্তে'' মসিনি কয়াদ খেন্নরিব ৱাখল্নো ?

ৱাখল্ শোইনাইরব অমগুম্ন ইথন্ত হিংদুন ঈচা ময়াম্সি থাক্তুন লৈরিবসি মখোয় খঙ্সিন্নদন লৈরীনে। ফংফম্ থোক্প ঈমা ঈপাগী লন্থুম্ করিবু ফংলিবগে? অতোম্বীগী মচাশিংগী লোইন ওইরব নত্ত ,া? পাঙ্গল্ শোম্ব, ৱা ঙাঙ্ব ঙম্জদব মীবু হৌজিক্কী মতম্দবু হিংফম্ লৈরিবরা ? অদুমক্ননি ইতু শোন্ন হিংদুন নাইতোম্ তান অচিক্প মফম্সিদ ইদোম্ শিব ঙাইন হিংলিবসিনি।

মপূ-মবেন্ মশক্ খঙ্নীংব ঈচাশিংন ৱাটরদ লৈদৌশক্নক্ য়ূম্দ লৈসি কৈদৌগে য়াম্ন তোয়ন হায়রিবনি। য়ূম্গী লৈনরিব নুংশিব মরীদুদি মখোয়নদি খঙ্দবনিনা অঙাংশিংদ অসিগুম্ব অৱাব শাউনবগী ৱারী লীথোক্প কান্নদে। মখোয়গী লৈকাদৌন থোৎপ থম্মোয়দুদ য়েক্নব নুংশিনদব হায়বদু মতম্ খুদীংমক্ত থম্দনব হোৎনগদবনি। মসিদ ৱারম্গদব মমা মপাগী অৱাবদো নহাক্সু অমুক্ত খল্লুনে।

নোংমদি ঈচাশিংন তক্মন্দুন মপূ মবেন্গী মনাক্ত পুরম্মী,

নুমীত্তুদ ঈমাতোম্ন হায়রক্ই

-''কনা কনাগী মচা মশুনো? অৱাব লোইখ্রে, নুংঙাইব মতম্ লাক্রে কোৎপ লাক্লিব ওইরিনিনে।''

-''অদুম্নদি হায়বিগনুদা ঈমা।''

-''কনাগী ঈমা। ঐগীদি লম্জা শরা মচা অমত্ত লৈতে, ঐগী ঈচাদি মতিক্ চাব মীয়াম্ন নোল্লুক্প ওইরি। ৱাখল্ লায়ন লৈব অমত্ত য়াওদে।''

-''লান্থিব নচাদ পেম্ন চৈবীয়ু। অদুবু নশুশিংসিদি হরাও হরাও লোয়নবীয়ু কৈদৌবগে।''

-''তানিংখিদ্রেদা চবেঙ্ চবেঙ্। করি থোক্ইবু শারিবনো?''

শুমাং মতোম্দ তৌনরিব মওংদু উরগ তিঙক্লন লৈরম্ব ঈচা অতোম্বদুন,

-''চৎলশি লাক্ও পাবূং, ইপূ ইবেন্ খঙ্দ্রবসু য়াই। অমূক্ হন্ন হায়জররোই।''

চাউরেন্গী মীৎকি পিন থোঙ্গূল্ ওইহৌরে। মচিন্দ শোল্লি, লম্বীদ চৎন চৎন-'মসিবু কনাগী মরালনো...?'

হন্সিরা হল্লোইসিরা

কালেঙ্গাগী নুমিদাংনি।

চাক্ চাব লোইরব মতুংনি। ফন য়াম্নসু থেঙ্লে। পূং তরা মখায়রোম্ তারে। ফমুং মথক্ত লৈব ঙম্দবদগী হক্চীক্ ঙাইহাক্তুং লাংলুগে খন্দুন থোরক্পনি। ওম্চাক্লবন মুল্লব হক্চাঙ্দ চীংথক্তগী হম্থরক্প অঙৌংব মলয়ান ইশাসে অতোপ্প তাইবঙ্পান্ অমদ লৈবগুম্ তৌরুই ঙাইহাক্তুং। উ লাউন শীৎলম্ব নুংশিত্তি খোঞ্জেল্ লেপ্খ্রব মতুং উইসিল্লুরব ঐগী মীপ্না অনী তপ্প তপ্প পাঙ্থোক্লুরি।

খংপ্রেক্ খংই। কোক্তগী তোন্‌ফাওব তু খ্যাও চুংই। করম্ব শক্তম্‌নো অথেঙব মতম্‌সিদ? মদূসু নূপীমচা অম। ইপা পাখৎলক্‌ই। হক্‌চাঙ্গী মিহুল্ কন্‌খৎলক্‌ই। হুমাং সৌগৎলক্‌ই। খোঙ্ থাংব ঙম্‌দ্রে। মালেম্ লৈমন ফাজিন্‌খিবগুম্... । থম্মোয়্‌নুংদ হংজৈ-

- পলেন্ চীংশাংগী লাইরেম্বী হায়'দু ওইরিদরা নত্তগ লাইবক্ থীবী কনাবু ওইরিগব? লাইরেম্বীবু ওইরম্লবদি ফৈদো, নত্তদন... ।

শদোন্ খপ্পবসু খপ্প চোংলিব মিহুল্‌সি ফাথদুন অশেংব অদূমদি খঙ্‌দোক্‌পন ফরে খন্দুন লৈমায়্‌ন ফাজিন্‌খ্রবগুম্ তৌরুব খোঙ্‌সে সনা খোংনাং ফুক্‌পগুম্ ফুক্ ফুক্তুন মাগী মায়্‌কৈরোম্‌দ খোঙ্ থাংব হৌরক্লে। মাগী মতূংদ মী অমন তান্নরক্লি খঙ্‌দবগীরা নত্তগ খঙ্‌ন খঙ্‌ন খঙ্‌শিন্নদবগীরা খঙ্‌দে মাগী খোঙ্‌থাংদি লেপ্প খক্ লৈতে। অদুম্মক্ চৎলি ।কৌজেং হারৌগী খোঞ্জেল্লক্ত উনান কেম্বগী নুংশিৎন শিৎপগী খোঞ্জেল নত্তন অতৈ খোঞ্জেল্‌দি অমত্ত তাখিদ্রে। নুংশিৎন অমুক্ হুম্লক্‌প, শাহিং চাব শাগী খোঞ্জেলন ঐগী খোঙ্‌থাঙ্ অমমম্‌সু ফাথবিরৈ। খঙ্‌হৌদ থৌদোরক্‌খিব টাটা সুমোন লাম্বোক্‌খ্রব মতূং মাগী শক্তম্‌দো উব ফংখিদ্রে। ইমীৎ অনী লাওথোক্তুন মায়্‌গৈ মায়্‌গৈদ লৈদুন য়েংলে অদুবু উদ্রে। কনামত লৈবগী চঙ্‌খিবগী শাহুম্ ফংদ্রে। হক্‌চাংসে পাখৎপন মী লাই কিরক্তব তাঞ্জা ওইরক্‌ই। চীন্বান্দ তপ্প সোল্লি

-শোইদ্রে পলেন্ চীংমাঙ্ লাইরেম্বী !

খুদাং ঘরিদ য়েংবদ পূং ১১:৩০ তাগদৌরম্লে। মমৈথংদ চীংমায়্‌গী লৈরাই অমগী মনাক্ নক্ল নপ্‌সীন্দুন ফম্‌দুন লৈরম্বদু উরে। খোঙ্‌থাঙ্ খর থুন লৈখৎলগ ব্রা ঙাঙ্‌বদ তাগদব মফম্ অমদ লেপ্লগ তনিক্ল-

- ঈচল্‌গুম্বী নহাক্‌পূ কনানো, অথেংবসিদ কদায়দনো?

পাউখুম্‌ পীরক্তবদুদ চঙ্‌শিন্দুন য়েংলুবদ খঙ্‌লে মহাক্‌ নুপীমচা অমনি। অনক্‌প লৈকায়সিগী নত্তে হায়বসু খঙ্‌লক্‌খি ইথক্ত।

লম্বী লম্মাংনরব সোয়দন ওইরম্‌গনি। য়েংথোক্লুবদ মাগী মীৎস্র অনীন ঐঙোন্দ মুন্ন য়েংদুন লৈরম্বদুদ খঙ্‌লে মহাক্‌ পাম্বে মাঙ্‌লবী নুপীমচা অমনি হায়ব। ঐগী ৱাহংদুগী পাউখুম্‌গী মহুত্ত মনীংতম্ব থম্মোয়ন হীক্র হীক্র কপ্‌থোরক্‌খি। মাগী মওং মতৌসিন চিংনব কয়া মাঙ্‌সিদ ফন্‌ ফন্‌ চোংথোরক্‌খি। লৈতাফম্‌ হেন্ন খঙ্‌হল্লম্‌দে।

তনৌরবী নূপীজা অমন অথেঙ্‌ব অহীংসিদ করম্‌ তৌন মফম্‌সিদ....! মতম্‌সিগী লৈবাক্‌ নীংবশিংগী খূত্তগী নাম্বোক্তুন চেল্লক্লিবরা নৎত্রগ ফত্তবশিংগী শরাক্‌ তম্ব লোইখ্রব হক্‌চাঙ্‌লা? মওন্‌-মওন্‌ খন্ব হেক্সিল্লক্‌ই। অসিগুম্ব ৱাখল্‌ অমদ তাউদুন লৈরিঙৈদ নুংহিক্লব খোঞ্জেল্‌দ তপ্ন হায়্‌রক্‌ই - তামো নচল্‌গী মিং ফজবী কৌই। য়ূম্ন কসার্‌দগীনি। ক্লাস্‌ তেন্‌গী চাংয়েং মায্‌ পাক্লব মতুং লম্ফেল্‌ দিসিদ থবক্‌ তৌব কৈশাম্‌পাত্ত লৈব ঐখোয়্‌গী ঈতৈ থোক্‌প অমগী য়ুম্‌দ লৈদুন লাইরিক্‌ মথা তম্‌থখি। ইম্ফাল্‌দ লৈরব মতূং হান্নগী পুন্সিগ য়াম্ন খেন্নব শক্তম্‌ কয়াম উরক্‌খি। ঈতৈ হোয়্‌ন লুন তৌবিগনি খঞ্জরুবগী ওন্ন-তৈনবদ মখোয়্‌গী অরৈব তাথি তাওইন চৈ থাংদুন শীজিন্নব হৌরক্‌খি। ঈতৈগী মচানূপা অনিদুসু ইনাক্‌খুন্ব ঈমূংগী মচা ওইবনিনা হৌন-লোন্‌চৎ, থক্‌সি-খাসি কয়া খঙ্‌দে। মীবু করিসু লৈতন খন্বগী হৈনবী লৈব উই। মখোয়্‌গী মওং মতৌসিদ ঐ য়াম্ন হৈনদব অম হায়্‌বদো ওইরক্‌খি। মখোয়্‌গী ঈমূংগী কূপ্‌নোম্‌, পার্টি তৌরম্বগী অমোৎ-অকায়্‌নচিংব শেংদোক্‌-শেংজিন্‌ তৌরিঙৈদ ইনীং তৌন পেম্ন লাইরিক্‌ পাব ফংলম্‌দে। চাব-থক্‌পদসু ঈতৈন লৈরক্‌প অহাও-

অথূম্দুন কা অমদ থোঙ্ লোন্সিল্লগ মখোয়্ মশেল্ চামিন্নে। ঈমা-পাবূংন পীরক্প শেন্‌ফম্সু ইফম্দ খঙ্‌হন্বিরক্‌খিদে। মখোয়্‌গী লূজদব থৌওংদুদ পেন্দ্রবসু লাইরিক্ তম্নবগীদমক্ লাক্‌খিবনি খন্দুন অৱাব কয়া খাঙ্‌জখি। করিগুম্ব মতাংদদি করিনুংগী ইম্ফাল্‌দ লাইরিক্ তম্ব লাক্‌চরুবনো হায়্‌বফাও য়ৌখি।

বি.এ.গী অরোয়্‌ব চহীগী অরোয্‌ব চাংয়েং লোইশ্নব মতূং হুম্নি চম্ব নুমিৎকী নুমিদাংৱাইরম্নি। ঈতৈগী মচাশিংদুসু স্কুল্‌গী লম্‌য়েংব ওইন শিলোংদ চৎখিব মতাংনি। ঈচেন লৈকায়্‌গী ইপান্-থাব অম য়াওব চৎখি। য়ূম্‌জাওদুদ ঈতৈগ ঐগত লৈব মতাঙ্‌নি। মেগাজিন্ অম পাদুন লৈরিঙৈদ ঈতৈন ঐবু মাগী কাদ কৌশিল্লক্‌খি। তন্ন-তন্ন চত্তুন মাগী থোঙ্‌জিন্দ লেপ্লগ-

- ঈতৈ করি তাক্‌পিগদব...?

- ফজবী নতৈগী খ্বাংসি য়াম্ন নারে নচেদ নমহন্‌গদবসু নচেসু লৈতে। নঙ্ ঙাইহাক্ত নম্লু লাওবা।

হৈন-হৈনদন চঙ্‌দুন মাগী মখ্বাঙ্ অদূ নম্ব হৌরুই। খোঙ্‌লৈ থুন ঈতৈন ইশা পূম্ব কোন্সিন্দুন ফমূংদ নম্‌শিন্‌খি অদূগ নাকন্দ লৈরিব টৈপ্‌তু থাগত্তুন মখোল্ হৌহন্‌খি। ফন কন্ন হোৎনদুন ইজ্জৎ মাঙ্‌দনবদি হোৎনখি অদূবু নোংশাগী মমাঙ্‌দ শজি মচান করি তৌব ঙম্লুগনি। কসার্‌দগী ইম্ফাল্‌দ লৈদুন মহৈ তম্ব লাক্‌পদি ইশাগী ইজ্জৎ মাঙ্‌নব লাক্‌পগুম্ থোক্‌খি। ঈতৈন থেংখাঙ্ কয়াদ খুদোংচাব লৌনব হোৎনরক্প মতাঙ্‌দ ঐন হৈ-শিংন নাম্বোক্লব হোৎনরক্‌খি, নাম্বোক্‌খি।

নূপী ওইবীগী ইজ্জৎ লৈখা তারব মতূং ইতোম্‌ত শিজখ্রশিরা হায়্‌নফাও কয়ারক্ খন্‌খ্রবনি। অদূবুপূম্নমক্ মায়্‌থীব পীরম্লব মতূংদ ইমান্নবী অমখক্ল লম্‌জীংবিরক্তুন ঈতৈগী য়ূম্‌দগী লোম্ন থোরক্‌খিবনি।

কৈ কিদুন চেল্লগ শওম্ ওক্লে হায়্বদু ঐগী ইফম্দ থোক্লখি। ঐন খন্জরুবদুগী তায়োন্নবদ থম্মোয় সোক্প ৱাহৈ খোন্দা কয়ান ঐগী অশেংব পুনসিগী ৱারী অমসুং মীৎলুগী পীরাংসু অরেম্বদ তাহন্খি। ঐগী চঙ্জফম্ পীবিরক্খিদে মখোয়ন। মসিদগী তৌফম্ খঙ্দদুন লৈরিঙৈদ ঙসি তাম্মোগ থেংনরিবসিনি। ৱাহৈশিংশি হায়ব লোইশ্নব মতৃং মহাক্তি সূৎ-সূৎ লাউন কপ্তুন লৈখ্রে।

ঐন থম্মোয় ফাথব ঙমদ্রবী মহাক্পু থেম্জিল্লব মতূং মহাক্পু ঐখোয়গী য়ূম্দ পুরক্লে। ঈমা হৌদোক্লব মতুং চাক্-ঈশিং পীজরব মতূং ঈমাগ তুম্হল্লে।

মথংগী নুমিত্ত লৈকায়্গী অহল্ লমন্ খরগ ক্লব্কী মীওই খরনে মৈরা পাবীগী মীওই খরগ ৱারী তৌরব মতুং কসার্দ হান্ন ফোন্ তৌরে। ফাওনব ঙমদবদগী ইম্ফাল্দ লৈব মখোয়’ মতৈহোয়দ অমুক্ তৌরে। খোন্দা নুংশিদব হায়রক্পদগী ফোন্দদি নুংঙাইররোই হায়দুন মচীন্ চৎপ অহল্ অহুম্ থারে।

ৱারী শান্নরবদ মূক্লরক্পদগী নুমিৎসিগী নুমিদাংদ ফজবিগ ঐখোয় লৈকায়গী মীওই খর তৌরগ লৌখৎহন্নব চৎলে। মফম্দু য়ৌরগ ঙাইহাক্ লৈবগ পুলিস্কী গারী মপোৎ মঙা-তরুক্ লাক্সিন্দুন ঐখোয়্রোম্গী মীবু ফূথব হৌরক্লম্মী। মমৈদ ঐবু ফাদুন মখোয়গী লৈফম্ তান্ন পুদুন চৎলম্মী অদুগ ফজবিবুন মতৈন ফাজিন্হৌখি। মখোয় অসোম্গী মীওইসিংসু শাউনরক্পদগী কেস্ তৌন্রম্মী। মমৈদ ঐখোয়নবুদি মায় পাক্খি। মসিগী মতুং মাগী মৱা মপাউ তাদ্রব কুইরবগী তুংদ ঐগী ঈজৎ পুম্নমক্ লৈখা তাহৱীরৱী মান থারক্প চিঠী অম ফংখি। মাগী মমীংদু অহান্ব উবদ তীৱী হৌখি। অদুবু পাদুনদি য়েংলগে নীংদুন হাংদোক্তুন পাথরে-

তামো,

অহান্বমক্তদ লম্দম্ তাম্নদগী ঈমা-ববাবু তোল্লবী নচল্‌ন খুরুম্লক্‌ই তম্বীয়ুকো।

তামো, ফৎত্রবী অম থেংনরুবদগী থেংনখিব অৱাব, ফংখিব মীচৈ, চৈনা-খুদিংমক্তুগী তোল্লবী নচলবু ঙাক্‌পীয়ুকো। নচল্‌গীদি ইরাল্ খুদিংমক্ ঙাক্‌পীয়ু হায়্‌জব নত্তন অতৈ করিবু হায়জনিংঙাই লৈরি!

তাম্মো মশিসিংসি নাখৈন থম্‌খ্রসি, তাম্মোগী য়াম্ন চম্‌জব, নুপা মান্ব লিচৎতো নচল্‌ন মীৎকুপ্ অমত্ত কাউথোক্‌প ঙম্‌দে। মীৎমাঙ্‌সিদ অসুম্ উদুনত লৈ। তৌঙম্বীনিদি হায়গদ্রা, হায়রবসু নচল্ ৱারৌবদি তৌজরোই তাম্মোবু থম্মোয় শেংন নুংসিরুবগীরা খঙ্‌দে তোল্লবী নচল্‌গী থৱায়্‌দি পলেন্দ, তাম্মোগী নাক্ত লৈহৌরবনি। ইতীক্ ইপা চাদন নুংসি ফোঙ্‌দোক্‌চরুবগী অথীব ৱাহৈদ তাহৈদব খোন্‌ফম্‌দ চৈরক্লবসু নচল্‌গী থম্মোয়সিনদি তাম্মোবু অমুক্ ৱারৌররোই।

অদুবু নচল্‌গী ট্রেনিংসি হেক্ লোইবগ ইয়ুম্ কসার্‌দ হন্দবিদ তাম্মোগী য়ুম্‌দ ইখোঙ্‌ন থোংন লাক্‌চরগে ৱাশক্‌খ্রবনি। চঙ্‌জফম্ পীবিগদ্রা পীবিরোইদ্রা হায়বদুদি ....?

নহাক্কী নচল্

ফজবী,

সিলোঙ্

মাগী ফাওনচেসিগী মরোল্‌সি পারুব মতূং মাগী ৱারী নীংশিংলুরব মতূং তৌফম্ খঙ্‌লক্রে। পারিব চেদু পায়্‌ন পায়্‌ন খল্লক্‌খি ঐবু হন্সিরা হল্লরোইসিরা পাউখুম্?

মূৎনাইদ্রব মৈরী

অনাব ময়াম্ লায়েংলুরগ য়ূম্দ হল্লক্পদ ৱারদুন ঙাইহাক্ পোথারি। থবক্ হল্লক্প খুদীং নাইতোম্ পোক্চব ঈচা নাউতোন্ মমাগ লোয়্নন কোম্বোংদ লেপ্তুন মপাবু ঙাইরম্বনি। ঙসিদি লৈরম্দে অনিমক্। কোয়্থোক্খিবনরা, লাইরিক্ পারিবরা নৎত্রগ মমান্নবশিংগ লোয়্নন শান্নব চৎখিবরা মচাগী মশক্ উদেদা হায়্দুন কোইথি থিরক্ই। মমাদসু হংদে কোয়্নন চৎতুন থিব য়াব থিরে। ফংদ্রবদুদ মমাদ হংলক্ই-

-ঈচাগী খোঞ্জেল্ অমত তাদেনা ঙসিদি কদায়দ লৈখিগে মাবু? মাগী মশক উরগ ঐগী থম্মোয়সে পোথাজরিবনি। হায়্যু ঈচাবু কদায়্দ চৎখিগে?

-মপান য়োৎ থাঙ্গৎতুন শাজেন্ শান্নরম্মু হায় হায়দুন মমাঙ্ কাদ শাজেল্ শান্নরিবনি।

লিলিগী ৱাদু তাবদ থম্মোয়দু ইয়াং য়াংলে। য়াম্ন থুনমক্ মচান শান্নরিব কাদুদ চঙ্দুন য়েংলুবদ অরূম্ব য়োৎতুন নন্সিন্দুন মচীন্দ কোঙ্গোল্ কাদুন লৈরম্মী। মনাকোংদ ঈ খরসু তাদুন লৈরম্মী। শক্ফমদু উবদ পাখৎপ পোক্লদুন ঈচা করিনোম তৌরে। নাউতোন্ ঈচাগী মতৌসিবু করি মতৌ কৌবগে। মপাগী খোঞ্জেল্ তাবদ লিলিসু চেন্শিল্লক্খি মচাগী নাক্ তম্ন।

নন্শিল্লীব য়োৎসিংদু তপ্ন তপ্ন লৌথোক্খি লিলিন মচাবু কোন্দুন কপ্খি। মীৎলু অনিদগী ঈহৌরক্প পিরাংন মচাগী হক্চাং মথক্ত ঈঙাগী নোংগুম্ মীৎকুপ্পুদ হৈথরি। লম্বোই, লম্বোই কৌদুন মশা পূম্ব নোম্লুবদ ''ঐ য়াম্ন ৱারে, ঐ য়াম্ন ৱারে'' নাশোন্ পীক্ল নিংসা হোম্বদ য়াওরক্খি। থংনন লৈব ঈনাও নুপাদ পাউ পীরদুন মরুতি ভেন্দু খৌদোক্লক্উ হায়খি। ঈচাগী মশাদ কারিব হুমাং ফিদুপ্ মচাদুন তপ্ তপ্ নপ্থোক্লম্মী। লায়েঙ্শঙ্দ পুরে। দোক্টর্ ওইজরবসু ঈচাগী অনাবদু মপান য়েংব ঙম্রোই। খুদক্ত লায়েঙ্শঙ্দ ট্রিৎমেন্ পীরে। ঈচাগী মওংদুদ মফম্সিদ লায়েংবন ওইগনি হায়ব ঈশাদ থাজব ৱাৎন লৈরে। অদুন হৌজিক্মক্ ডাউন্ টাউন্ হোস্পীটাল্ চৎশি লেপ্নরে। ফ্লাইট্ টিকেট্ খুদক্ত কক্লব রিং তৌদুন হংবদ খুদোংচাব ফংদবদগী ট্রিৎমেন্ তৌন তৌন হায়রে-৩৯ দ চৎলে। লোক্ল লৈতেন চোক্লক্লিব ঈবু উরগ মমান ও খোংন খোংন কপ্লীবদুন থম্মোয়দ চৈনা মথঙ্-মথঙ্

পীরক্লি। 'ববা....ঈমা...য়াম্ন ব্বারে' নাশোন্ পীক্ল হায়রক্পদ কৈশু তৌরোই থেম্জিন্ন মমাগী মতৌদুন খান্ন য়াদব পিশিং কৌথোক্পগুম তৌরি। ঈচাগী মরাইবক্সে ওম্বোক্ল থীশ্রেদা। তুংগী অফ ফত্ত খিদন ঈচা নুংসিরিবনি হায়দুন নহা ওইরিব ঈচাগী অপান্বদ হোয়ারুব ঐসে কয়াদ পঙ্লব ব্বাখল্নো? মমান য়াম্ন ঙাঙ্খিবদু হৌজিক্ত নীংশিংলক্পগুম্ তৌই। লাইরিক্সু থোইন মখাই য়াওব উদে। অনৌ অনৌব থোরক্পশিংদি চিংথদন লৈখিবনি

''ঐন হিংলিবদি ঈচাগীদমক্তনি। ঈচা য়াওদ্রবদি ঐ ইথক্ত হিংব ঙম্রোই।ঐসু শিজখ্রগে'' লিলিন তেংথারক্লি। মপান লিলিগী খোঞ্জেল তারগ হায়রক্ই, ''ঈচাগী মমাঙ্দ অদুম্ন তৌগনু। মপূক্লীং নুংঙাইখিরোই।''

মতাঙ্ অদুব্বাইদ নাগালেন্দ য়ৌরক্লবদ লম্বী চৎপগী শেন্খায় পীরম্দব য়াদে হায়দুন অমুক্সু থৎপিরে। লম্বী চৎপসিসু শেন্ লৌনব ওইরে ঙসিখক্ত খঙ্লি। রোদ ট্রান্সপোর্টেসন্গী চেক্সু নত্তে অতম্ন য়ূম্গী অচীন্ন লৈবদগী লম্জাওদ থোরক্পনি অব্বাং নোংপোক্কী ষ্টেটশিংগী মনূংদ শাওগন্দব, হায়ন-তানব নুংঙাইব কাংবু অম লৈরি হায়বসি মখোয় খঙ্ই। পীফম্ থোক্প্রনে শুক্শোই শোইদন। লূপা লিশিং অহুম্ লূপা অমত্ত তাদন পীগদবনি হায়্রি। করম্ করম্ন চাউখৎপ লৈবাক্ত চৎনবগে। ঈচা শিগদ্রা থব্বায়্ব্বান লাক্পনি নোক্প নত্তন অতৈ লৈত্রে। নোক্তুম্ নোক্খোক্কে। পান্থৈ লৈত্রদুন লিশিং অহুম্ পীরম্বদ মতারে।

অম অনিথক্কী ব্বাফম্নত্রে, হঙোইমহা থাবদু মঙায়্রে ইঙাগী। ঈচা লায়েংসিরা নত্ত্রগ মখোয়গী খরচ্ ওইন হুল্লসিরা ? ঈচাসিগী থব্বায়্তদিং কন্জনিংবনি ঙম্রোইদৌরি। অচৎ অওক্তগী শেন্ লৌরগ

থৌনা ফব শক্লব ফুরূপ্সু লৈরম্মী খল্লুবদ চাউথোক্চৈ। মথঙ্ মথঙ্ থৎতুন য়াউশংগী ফি মুন্বগী চৎনবীদুন ঈচাগী থৰায়্গ হক্চাংগ খাইনখ্রব মাল্লে। নিংসা হোন্বসু লেপ্খ্রে। ৰারে হায়্ব খোঞ্জেল্সু অমুক্ তাখিদরে।

নুমীদাংগী পূং তরেৎ মখায়্ তারম্রে। থৌনা ফব ঙম্দ্রব ঐখোয় কৈদৌব তাই, কম্বি থোক্ল শাউরুবগী কান্নবসু ফংলরোই। অদূনদি ইম্ফাল্লোম্দ হল্লক্প নত্তন করিসু তৌনিঙাই লৈতে। মমাসু লম্শাঙ্ কপ্প্পগী অৰাবন তুম্থখ্রৰা, ৰাহরিব্রা তুমিন্ন লৈখ্রে। নোংদম্বন তম্লক্প মীকূপ্তু কনানসু য়েথোক্প ঙম্দবজাৎনি। মীগী থৰায়্ কন্ব ঙম্দে। ঈচাদগী হেন্ন তম্থিন শোক্প কয়া'ম হিংলি তাইবঙ্সিদ। তাইবঙ্গী অৰা-নুংঙাই খঙ্দ্রিব চা থম্বীরম্লগ ঐবু ওইন পূবিব য়াদবরা নোংদম্ব? থৰায়্ য়াওদ্রব ঈচাগী হক্চাঙ্ন ঐগী মীৎমাঙ্দ ৰাহং কয়া মথঙ্ মথঙ্ চোংথোক্লক্লি। শিরগ লোইরব মীওই মপোক্ত ঙাইঙম্দন ঈ মশেল্গী লান্দ লৈনূংদ তিন্খ্রব, তিন্গদৌরিব কয়াম্সিন পুরক্কদৌরিবসি করিনো ? খুৎলায়্ পায়্ব ময়াম্গী অনম্ কন্ব মতৌদ ঈগী তুরেল্ চেল্লি। মসিরা নীংতম্ব? ঙাইহাক্কী নুংঙাইবদ নূপী কয়ান লুখ্রা ওইহৌরে। মচা কয়ান মমা-মপা কৌব ফংদন হিংলি শোইরোম্নন। চাহৈদব ময়াই কাব চীঞ্জাক্ কয়ান মীমান্নন হিংবসু ঙম্দ শিখিবসু ঙম্দ ওহোক্ল ৰান লেন্ব কাঙ্বূ ওহোক্ল য়াম্খ্রে। হিংহৈদব শোইরোম্ব মচা কয়ান ঈরম্দম্ চাওখৎ লম্জেল্ য়াওব ঙম্খিগদ্রা?

তুম্লম্ব মশাদু মীকপ্ থোরক্লে। গাড়ীসু থৌরি, লেপ্প লৈতন পম্বুংফম্ তাম্লি। তেংথাব হৌরক্লে নচানূপাগী নমৌ ওইগদৌরবী লালাম্ন ঈচাগী মতৌসি ঊরগ করি হায়্রক্কনি। ঈমাগী ইবূংঙো নাউতোন্, নায়্তোম্ পোক্প লল্বোই ঈমাবু করি ওইরসিগে ?

লালাম্‌গী ফজব মায়্‌থোঙ্‌দুন ঙাইরম্‌গনি ঈচান হল্লক্‌প। য়াওশঙ্‌থাসু লাক্কনি। হায়্‌রম্বদায়্‌ নঙ্‌ন, লালাম্‌গী ফজব মায়্‌থোঙ্‌বু অমম্ব ফিজোল্‌ন নাথৈহম্ব ঙম্লোই। মচু তাব ফিজোল্‌ শেৎলবদি অয়ূক্কী লীক্লান কৈদৌরুনি, থানিল্‌গী থাজন ইকায়্‌জবীনি। মহাক্কীদমক্‌ ঈমা হন্দক্তি ফজব ফিরোল্‌ খর থোন্সিকো হায়্‌রম্বদাই। অদূগ করিগীনো তাক্লম্‌দন চৎলিবদি। নীংথিব ফিজোল্‌ন লৈতেংলগ কোয়্‌ব চৎপদ পুবিনি হায়্‌রম্বদাই। ঈচাগী চম্‌জব নতৌদ ঈমান কয়াদ হরাওখিব। ঐবু করি হায়্‌ন পাউদম্মু হায়্‌বনো লল্‌বোই!


লল্‌বোইদি লৈকায়্‌ন নুংশি চান্নন লোয়্‌নব নহানি। মমা-মপা মতীক্‌ চাব ঙাক্তনি। মমা-মপা অনিমক্‌ লৈকায়্‌ন চান্ব মীতানি। নাপল্‌সু য়াওদে। লৈত-লায়্‌রগী মরূপ্‌ ওইন হৌরক্‌ই। মীন চাবদ হরাওজব ঈমূংনি। মতম্‌সিদ পোক্‌প ঈমূংনি। অদূমক্কি ঙসি লৈকায়্‌ মীয়াম্ন লল্‌বোইন লায়েংব চৎখি হায়্‌বদ কম্‌দৌরম্‌গনি মিপাইদুন য়াইফ থৌনিরম্লিব। তিল্লম্লিব মীয়াম্‌ উবদ মমান হৌন কপ্‌খ্রে- 'ঈমাগী ইবূংঙো! য়েংউনে নঙ্‌বু ঙাইরম্লিবসে। হৌগৎলো'

তিল্লম্লিব মীয়াম্‌গী মীকপ্‌ মীরাওখোল্‌ন মৈগী চীং পোক্‌থায়্‌খ্রে। খুন্তাক্‌ লান্সিদৌরবগুম্‌!

অশিব মচাবু লায়েংশঙ্‌দ পুদুন নৌন তম্‌খৎলক্লিব এম.বি.বি.এস্‌. মহৈরোইশিংন চাংয়েং তৌনব কথোক্লম্মী। শীজিন্নব য়াব শরূক্‌মখৈ কথোক্লম্মী। মচাগী থোয়্‌দৌ নাওফম্‌তং লৌরগ পোলোয়্‌রম্মী। সেপ্তেম্বর্‌ মাঙ্‌ওইনন মীৎ অনিমক্‌ শোইনাইরব মীওই অমদ পীবিরম্মী। মমা-মপাগী মতৌদ মীয়াম্ন ঙাওরে ঙাওরে হায়্‌নরে। নুংশিখ্রব মচাবু পোলোয়্‌গেদি হায়দ্রগ! মতম্‌ খরসু হৌখিদুন লান্ন-তৌরম্‌ য়ৌরক্লে। থৌরম্‌ অসিসু লাই-তীন্‌গী তৌফম্‌ থোক্‌প

পাঙ্থোক্লগ অশুপ্প ওইন লূপা লাক্ষ ৫ লৈকায়গী ক্লব্তে কৎলম্মী। অদূগ লন্ ওইরগদব হৌগৎলক্লিব মহৈ-মশিংদ থরায় য়াওব মহৈরোইশিং, শাম্ন খোৎনব পাম্বশিংগীদমক্ খল্লগ অথোয়্-অহেন্ তাম্নবিয়ু, অথোয়্-অহেন্ তারবশিংদ "*লল্বোই য়ুম্বী মনা*" পীরসি লাউথোক্খি। লাউথোক্পদুদ মপান পল্লি, পুবসু য়ারোইদব লন্ময়াম্ তুংশিন্নরিব ঈচীল্ইনাওশা, চৎনবীনি হায়দুন শেম্রিব অরাবদ অরাব পীব চৎনবীশিং, অকে অমৌদ লম্জেল্ তাম্নব তোক্লসি, ঐথোয় অমত্ত ওইন হিংমিন্নসি। অনৌব চৎনবী ওইন ঐন পোক্চব ঈচান পাম্জব কথোক্প অদূ ঙসিদগী হৌজরে। মতাঙ্ চাবদ ঐসু ঐগী নূপীসু মীয়াম্দ কৎচনবগী শেম্শাজরে। মুৎনাইদ্রব মৈরি ওইন তিল্লগে মীয়াম্ মরক্ত।


---লোইরব---



কলমগী ফোঙ্খ্রব লাইরিক্‌শিং

১	অয়ুক্কী নাচোম্	কলম বোর্ড
২	খল্লুবদ নোক্লিংই	ইহিলেন্‌খা ঙাম্ব (১)
৩	অহংবী অতক্কী লাইরেম্বীগী তেংথাখোল্	য়ুম্নাম্ চনু উতম্বলা
৪	এজ দ ড্রোপ ফেল	বিন্‌খুই জিনাং মারেম্মৈ
৫	মহুম্ (রারী মচা খোম্‌জিম্ব)	কলম বোর্ড
৬	অচুম্ব লৈই	এম্:দি: রাজ খান্
৭	সলাই শৈরেত্	সনাহোংব মঙাঙ্
৮	পীবারেল্	খোক্‌চোম্ কিরন্
৯	ৱাখল্‌গী উচেক্	সোমানন্দ লৈশাংথেম্
১০	ঈমাদি খোংদাই শেৎলরোই	ইরোম্ চনু শর্মিলা
১১	ৱাশক্কুগী চৈনা (১)	রাকেস নাওরেম্ (কোকিল্)
১২	শক্‌ফম্ ওল্লব মালেম্ খুন্দোংবম্	ওংবী গুনমনি লৈম
১৩	চৈবাক্ (ড্রমা)	খোক্‌চোম্ মঙাল্ (কিরন্)
১৪	খল্লুবদ নোক্লীংই	ইহিলেন্‌খা ঙাম্ব (২)
১৫	লিক্লাং পবেং	হৈক্রুজম্ (গোম্‌তি)
১৬	লোয়ালম্‌গী শংবাম্নবী	ময়েংবম্ ডন্‌বী লৈম (জমুন
১৭	চৈখল্	মাইবম্ নোংইন্ (প্রেমোজি
১৮	ইচাশা ঈমাদি খ্বাঙ্ য়ৌরে	খুন্দোংবম্ ওংবী গুনমনি লৈ
১৯	ইঙেল্লৈ	খোক্‌চোম্ খোইরেল্ (মঙা
২০	ঈশিং থীংবী অমদি মাগী ঈশৈ	ইহিলেন্‌খা ঙাম্ব (ওকেন্দ্রো
২১	ৱাশক্কুগী চৈনা (২সুব খুৎনম্)	নাওরেম্ রাকেস (কোকিল্)
২২	মহৌশা লাইরেম্বীগী মসাইগোল্‌দ য়াতারিবী অরুনাচল্ প্রদেশ্	সগোল্‌সেম্ তরুনি
২৩	নাউয়োক্কোন্‌গী ৱারী	ও.কে. নিংথৌজা

ওকেন্দ্রো নিংথৌজাগী মরমদ



ঙাইবেক্ক্ চায়র্নি ওয়াঙেন শরুক এবা [illegible] মীথায় হায়নে, [illegible] শঙবদস্ চুম্মী হায়না খাল্লে মনা মশাংদ কাইদোক যাওবগীদ [illegible] তাগুই। মাবোন্ [illegible] তাবকুন্দর্গা [illegible] লাকচন যাদনা [illegible] কুম্থাইপাং, ইংফাল ইষ্টত [illegible] পারখি। কাংজবম ওকেন্দ্রো [illegible] মিংন ওকে নিংথৌজা। কাংজবম খবাংলা [illegible] লৈরম্বী। [illegible] মচা অনীগী মনুংদা অহনবনি। [illegible] [illegible] পোংলক্ত, [illegible] চল্লক্তে, মযাথাদ [illegible] থুম্বা [illegible] তম্লিক্তুনা মমাংগী [illegible] পায়রবা শিল্পকলা [illegible] শীঙ্গদুনা কাপ্পা কাপ্পা যুমদ হল্লকপদ মাবু পোকপা মপান মবম [illegible] তম্নবদ মাং [illegible] উৎলককপগী [illegible] চুবা [illegible] অদুনা অংগোকপা মফমদুদা চুরকই। [illegible] হৌনদে। নমাম্নবগা খৎনা [illegible] ক্রম যাদে মীনা [illegible] পুখোংক্রোই অদুগা [illegible] [illegible] মমাংবদুনা যুমদ হল্লক্। [illegible] মনাংতোন্দ [illegible] মক্তৌ অসুম্না মীগা [illegible] ওইনকাখ। [illegible] চাউরমীনি। [illegible] খাঙ্ [illegible] উৎলকপি [illegible] অহানবনি। ইং, ১৯৩১দা [illegible] থাবাদ [illegible] [illegible] লোয়নান ১৯৭১দগী [illegible] ইং ১৯৭৬ [illegible] [illegible] ইং ২ [illegible] [illegible] মাবীমচা অযাম্বা [illegible] লেখৈনগী [illegible] শেমগৎকদবা শেমজিন্ [illegible] পুখোংমদাইদ [illegible] কুমজা ১৯৯৭, [illegible] ২৮দা [illegible] ওকেন্দ্রো নিংথৌজা মচানুপী অম মচানুপা অনীগী মপা ওইদুনা বিমস [illegible] লৈরি। অদুনীব অইখোগা পুখোংক্রব কদম্ন মতেং পাংবগা যায় পাকপা ওইবসনু।

কলাম